মৈ[illegible] [illegible]ষ্ঠাবা

ইবা :—
তোংথাম তেজকুমার
নোংমৈপুং।

[illegible] Civil S[illegible]ma Competition 1982-83 দা

[illegible]াবা।

[illegible]

অইবা:—

চোংথাম তেজকুমার

নোংমৈপুং।

কোঙ্‌জবা :— অইবা।



নম্ফম :— নিমাই এণ্ড সন্স প্রিন্টিং ৱার্কস, পাওনা বাজার, ইম্ফাল।

[illegible]িংঙু-খরাইহাক

[illegible] শাখবগী [illegible] মতিক-মথাই লৈরবা [illegible]। [illegible] [illegible] ঐাঁকপা [illegible] খরাহারগী [illegible] [illegible] নিংথৌ খরাহ[illegible]গী লৈবা থাখবি, [illegible] মানিংঙুগী নুমজেম [illegible]

[illegible]লা কৌ [illegible] নোক্লা [illegible] ইংলকপা [illegible] নিং[illegible] তৌজখি। লৈমা [illegible] অতোন [illegible]চখি। লৈমা অতোপ্পা শাকথীবু [illegible] লোখৎচখি। লৈমা অহনগী লাংদগী [illegible] মনিংথৌগী য়াথং নুদা থোং তুরেল [illegible]লুপি পিথরাখিবা নুরা মাগী হুংশি তেংথানি।

চোংথাম তেজকুমার
মোংমৈপুং-মখোং।

"চংগদবা [redacted] মশিং"

১। খরাখাবা [redacted] মৈতৈ [redacted] মাপাংবা কৌবা বী।

২। খরাইবেবা — মৈতৈ নিংথৌগী [redacted]

৩। অতোম [redacted] মৈতৈ নিংথৌগী [redacted]

৪। খুরাই [redacted] — মৈতৈ নিংথৌগী [redacted]

৫। পুর [redacted] মৈতৈ [redacted] কয়াইবা

৬। [redacted] লেকপা খাম্বুবা।

৭। [redacted]

৮। [redacted] াই।

৯। [redacted] ভাগ্য কনবা কী।

১০। [redacted]

১১। [redacted]

১২। [redacted]

"লুপীগী [redacted]"

১। তোকাই ঙবী — মৈতৈ নিংথৌগী লৈমা অহল।

২। শক্ষবী (শাকবী) — খুমন নিংথৌগী মচানুপী।

৩। মতা ১ — শক্ষবীগী চানবী লোইনবী মতা।

মৈত্রিংউ-থরাম্থাবা

১—১

[মৈতৈ-নিংথৌগী কংলা [illegible]

নিংথৌ—কুমশি চহি-কুমজা লোইপোক [illegible] অথবগা।

লালোইহুম্বা—ননাইশিংনা [illegible] মোজবকে লাই-
নিংথৌ। অহুপা মৌংচুপ [illegible] ময়োং, [illegible]বৈখং
[illegible]নাং-মমাংনচিংবদি [illegible] তাকৈ [illegible]।

নিংথৌ—উং—। অরাং তাকৈ [illegible] মপাও তাকেনো।

[illegible]—লাইনিংথৌ। মথক্তা মমমদমদা অণি-অন থোক্লে কাওরেন
[illegible] লাইহৈ মেখলিং হৃহৃরে, তেকপী ওক্লেন মরেং তাখিবনা
থর খিং অরা ইহৈ চাক্তি তাকেদো মপুরেন।

নিংথৌ—অরা হুংজোং লাং অনং-ইহৈ চক্লবা মেংনদবা মাবরা। কুমশি চহি
কুমজাদি হাওব লোইপোং কোকপীগে মেরা হোচো'বদি নংনক্লা
মাওজরো পাও থাখো শানোজোন।

থরাই—মপু স্না মাথং পাংথোকচগে লৈকোই মপু।

নিংথৌ—মকেং-থাঙল হাওখুলগী হামহুন খুম্লাওগদি কবম তৌরে হা মহা-
লাকপা।

থরাইনহালাকপা—ননাইশিং ওরাং মোজনকে লৈবাবা, মপু স্না কংলা
হংকংচগে হামহুন তাইজরবনি লাইনিংথৌ।

[লোইশঙ্গী মচা অমা চংলক্লই।]

লোঃ মচা—(খুরুম্মী)

নিংথৌ – করি পাও ?

লোঃ মচা—[illegible] লোইবা মৈমাবা, মিক্লাই শ্ব খুরা খাদা খুমন চাকি [illegible]চবা [illegible] অমবা মৈত্রাং মুদা থোং মপু কাবু তমথক্লি ইঙ্গিংথৌ।

নিংথৌ—[illegible] অচানবা, [illegible] খুমন কল্লাইবগী খুরা যা'বা থাজিল্লকউ।

লোঃ মচা [illegible] নিংথৌ [illegible] চংখি)

নিংথৌ—[illegible] লোইবা লোয়াম্ব-খুমন লমখৈবু ওমকত, খু'মৈবা, [illegible]।

অদুকিহাই - [illegible] খুরা থক্সা যাবাসিবু নাইসিংথৌ তাক্লোববা [illegible] ?

নিংথৌ – কঁরি যা[illegible]. তাঙ্গিনা [illegible]

অনং—ইনি'থে, নোংযাই খুমন লমলমক্তা হৈবেম খুল্লাকা নানশিংলি। [illegible] মাগী অথোবা নোংযাই চাখা মোয়েম্বা হৈরেম কাং[illegible] [illegible] মৈরা মুং খুমন কিরূপ থমথরে। লোয়াম্বই খুমন মৈশাকী অবা-অন্দু কোক্লবা; হয়েম নানবু নানপাংবীবু থোংহোবকপবু [illegible] মপুরেম।

[অশৈবা চংলকই।]

নিংথৌ—চংলকউ – খুমন কল্লাইবা।

অশৈবা—য়াইকরেম থৈবিকী য়াইকবা, চীংঙু-মশাইকোন্দা পানকবা নাই-নিংথৌ, মিক্লাই স্বা খুরা খাদা নোঙ্গরিদো য়োইমরোম।

নিংথৌ—হৌগংলু হৌগংলু খুমন নিংথৌগী অচানবা মনাই, কমকম না'বা কম্‌দা। (কৌই) কনা মৈ।

মৈদিংঙু-থবাম্বাবা

[মনাই অমা চংলকুই]

মনাই—স্না য়াথং।

নিংথৌ—[illegible] [illegible]হৈবগী কনকম অমত্তং অহুক শেম্মু।

মনাই—লাইনিংথৌ। (থোকখি)

নিংথৌ—খুমন নিংথৌগী অচানবা মনাই, মনিংথৌনা কয়ি পাওবু পাওশি
রকপা নিংথৌ ঐগী ইকয়াং চিংন পৈরে থমদনা থম্মোর কং[illegible]তংঙু দে।
অশৈবা—পোইরৈ স্না মপুরেন ; মোইরী খীংশাং [illegible], তমগী
নিংথৌ য়াইঙোংবা। মপু স্না খুরা [illegible] য়াকম [illegible]হংকংচবা
অয়োন অয়ান ঙাকশীবু।

নিংথৌ তাশি হায়বু অক্লানবা, পাইমা [illegible] পৈরে থমগনু,
লৈপাক ফমথৌ পুবশ ৭/১০ খংগে, ঐনা [illegible]রবা খুমন মতে
পাংগেকো।

অশৈবা—লাইরেন কোয়ো [illegible]লোংথৌ, মৈদিংঙু স্না নফয়াংদা খুমন
নোংমাই মপুনা পাওজেলজবা য়াবাবু ননাই শিরৈলোমনা পাওদম-
জগে লৈকোহিরেন।

নিংথৌ—চিংলোইয়ু অ নবা চিঙ্গোইয়ু।

[মনাই চংলকই খুমন কয়াইবগী ফিদা থাই]

অশৈবা—খুমন লৈকোই মপুগী তাংনা ফংবী মমোমলোন থক্তা জমা
শাক্রবী থাদা অমা কোইত্রবী নাইতোম পোকপী শক্ষবী থয়াই থক্তা
লৈহাপ্পা লৈয়োং লাইদা কংপঙম লিক্লাই স্না খুয়ারেনদা কংচয়কই
য়োইমরেন। মঙাইয়োইবু ওইনশি পোংশৈরে লৈপাক ঙাকপদা অঙবা
মতেং পাংনশি মপু কাদা হংকংচয়কইদো য়োইমরেন।

নিংথৌ—খুমন য়ায়া তাবদি পাইমা থৈনা পেজিদা তয়মা অহুমহিক্তি ওজৈবগা
লৈপাক য়াইতোং কমদোংবা অঙবা মমাম থয়থিগে য়াংদৌ লমশাং

লাকপগা কোরো মৈরা, লাংলমগা শমু-লহক চোকয়নি, বাংলেল ঙাইহাক পোথাজখো।

অশৈবা—মপু স্না লোংলমলোল ননাই অশৈবা ঐয়াক্না [illegible] মীয়া লুক ঙাই জরিদো নৈমাবা। [হন্দোক্লা কল্লী]

নিংথৌ—হায়মু ঙাশি পুরুষা, খুমন নিংথৌগী মখেল শোৎশি করি করম ভোগ্লি [illegible]

পুরুষ—[illegible] হৈক্তনা লুংলাই মিপাল মৈপুবা, মৈঙাক মৈলু পুবগী [illegible]না লাক্লিবাদো। লাইথিল-লাইমিল লোরবা থুমলোরবা মৈপাক [illegible] থৈবু [illegible]বগা মৈতৈ-খুমন পুক্তিনা হন্নেল লাপ্পা তেংবাংনা [illegible]না পোইহৈ। ঐলাক ঙাকপাগ য়াইক-বনিদো মপু [illegible]

অনংফি ম. ইনিংথৌ অহুতৈঙী য়াবা [illegible]।

নিংথৌ—করি য়াবানিবা অমা কিহাইরোই, মৈপাক মাংলা [illegible] পুথোক[illegible]

অনংফি—মাংলমচংকী বাংলেম্বা, ঙমখৈগীদি বাথোক্লা খুমন মৈতৈ চাউ-নবা তাবরুবদা, লাইগী খুদম য়েংনশি মৈপাক হল্লা লাঙলমগা ইনিংথৌনা নাবক-মোংশোংলমগী শণ্ডব অমা নমহনা কা, ইমুথে, পাথংবা পল্লা শরি ; লাইজা ইয়াইবা লংথ, শণ্ডয়া কাথংপা লমদম [খুমন মৈতৈ লমথৈ লেপ্লশি স্না য়াথং লাও, লাইগী খুদম য়েংনতৈ, খুমন নিংথৌগী য়াবানা চুম মৈতৈনা লখু হেজিলম, মৈপাক হল্লা য়ানহনা মৈতৈ ঐথোয়না লখু হন্দোকপা।

নিংথৌ—চুম্মী অঙবা চুম্মী।

অনংফি—ইনিংথৌনা খুমন মৈতৈ মাংলা স্না য়াথং লাওবিথি। ঙসি মৈতৈ খুমন অনি লমথৈ লেপ্লবা চীংঙু, লাইগী খুদম য়েংনবা, শণ্ডয়া কাথংপা লমদম অসিবু শণ্ডবুং হায়না কৌরসনু, অহুগা নিংথৌ

ঐনা খুমনগী লমু করাম চাওনা লৌরুবা লমলেন লমদম অসিদি হয়েং তাইবং চাদোঙ্বা রাজ্য শুরোল তানবমা কাঁরাম হায়না থংগ্রসমু। মা মাথং লাওবিনবদো অকাও পৈরবমিয়ত্রা লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—চুম্মী মাবা অদে অকাও পৈরবদবি। লায়োইহনুবা অতোম নহাবা মিংথৈ মখি থংবা ইলাইয়েম। অচানবা নংগী মারাম্ মতাসি হায়যু কারি কমদোংসি হায়বা ?

লাঃ হঞ্জবা পোইরৈসিগী য়োইমরেল, নশোক নণ্ডাল শায়বাও লোইবী যুমথোং হাংদনা অম্পাক লৈকাই চিথদা লানমাখমু লাইনিংথৌ। মৈতৈ পরমলোন্দমু তেংথানৈদো অহুম্বাং; অথেনপোৎ [illegible] থংনহৈদে, পোইরৈ ফাথিবা করাম্বা লাওবম্মীদো মপুরেল। [illegible] নবা খুমনগা অরাং-অপা হংননা অইর লৈত্ত থাইনা রাথোক-রায়েল তেম্মীম্না পানমিন্নবমু মকৈনা লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—উং ফয়ে, অদুদি লৈপাক খাইনমু রাবিরবমিনা অহৈগী রাং-লেম্পা নিংথৌ ঐনা শরিংশিবা মাবা অমমু লৈথি। খুমন লৈপাকা তাই-লেল ওইনয়গে। (কৌই) খুমন নিংথৌগী অচানবা মনাই তারবরা ?

অশিবা—পোইরৈ মা মীতম তানব লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—খুমন লৈকোই মপুদা পাওদমু; নোংথাই মাগী অথেনপোৎ হরাও-হরাও লৌহৌরে। মৈতৈ খুমন মুংশিনা রাইরা শাদা ফামিন্না হুয়েল লাম্দা পাংমিন্না চারো-মোরো পানমিন্নশি। নিংথৌ ঐগী ইবাংলোন অযুক কোয়ো ওইজবী মুমিদা থাবা শকচবী লাংলেল চিংথৈ থরানবীবুমু অওং অউন তম মীনাই মীশন লোইননা খুমন মঙোম্দা থাজবকই, পাওদমুকো অচানবা।

অশৈবা—কোয়ৌ নোংদা কাকত্রবা মালেম মৈলা তাকত্রবা লাইমেল মা নয়াথং লুরেল কোক্কা থোংকরি ; থ্‌মন অময়ক পাঙ্গলনে লাইদিংথে।
(থ্‌রুন্মী)

নিংথৌ—তন্না চাকলেন চাৱগা নোংবাই নয়ান শাংঙ্‌কো অংগনবা।

অশৈবা—ঙাকপীবুকো য়োইমরেন, থ্‌মন কংলৈ মপুংবাই নোংবাই ইপাও ভাইকাখিনি মতুং অমুক চিন্দমজরগে ননাই তন্না হজরগে লাইরেম্বী ॥

[শাংলৈম ফুংগা]

১—২

লৈকোন্দা খুথন নিংথৌগী মচানুপী শক্ৰী অমসুং নোংমরেম্বগা বারী শানরি।

শক্ৰী—থংলেন মতুং ইন্দুনা লাওন-লাংওন থ্‌দিংদা তুংইন্ত্ৰী ওইজগে পাইমা ফুংদা থঞ্জবা নিংঙোল ঐগী পুক্কিংবু তাইবং ওইবা কনানা তায়োমহনবা ঙময়োই।

লাংমৈ—পন্থো পুক্কিং লৈতানা বায়েল থোদা ওয়বা য়েক্কা তিংথং লৈতনা লৈশাক ঙাকপা ওয়বা অমত্তা পোকপী নহাকপু থাজ-অনিং ভমথিবনি।

শক্ৰী—(মতোমতা) নিংঙ্কদা হোংবা 'থৌহ' ফুংগা পাংথকপা থ্‌মন নিংথৌ ইপানি।

লাংমৈ—পঙ্ছো য়াথং ঙাক্তুনা মৈতৈ লমদম পাংবদি খুমন লৈপাক পুম্বগী য়াইফবনি ইবেম্মা। হংলু য়েংলু বাংত্রবা পোইরৈ মৈতৈ লমদমবু হুনাহনবগি য়োনগনি।

শক্কবী—শাবী নংমু তুংশিবা, লাংমৈহ কুমশিং কয়া অমা পামেল উগী পাংথক লৌ লৈগদবগী শরুক হিংহুনা বাংলেন মিংকুপ অমতং শিজেল লৈগী পান্দমজুম কেজ্রথিগে শাংলয়গা।

লাংমৈ—হুয়া নংমু তুংশিবী নোংয়াই মনিল নাইগনি খু... বাথোক ওইগনি, নোংগুম থীবা মপোকলে, তুংথি চেংলৌ ...ফুম, লাং ওনসিমা লোমজ্রগে কাইনা মৈনা ...কা।

শক্কবী—পাথং পুকচেল হোংলত্রা, তমাং-তশোইন... লৈপাক বাথোক ওইরকপা নিঙোল শরুক ওইগনি।

লাংমৈ—তপথবীমু ইবেম্মা, খুমন লৈপাক পুম্বনা, লাইবেল মাগী মকাদা থাজবনি নিংঙোল নংদু: খুমন মীয়ামগা চাইনবা পাথং ইতিক ওইদেদো।

শক্কবী—(মত্তোমতা) চীংঙু নংবু লৌনম্বা; পুন্সি পম্থুং য়োইন্দা হোংলা পরৈ তৎতুনা লৈববদি মাংহনগদবা খোইয়ুম নংগী লাই বুংদা তুংশি ল'লা পাদমলাক বাশক ফিজিল চলহয়া করিগী থম্মোয় তেংহনবা।

লাংমৈ মাংলমচৎকী য়াবাবু নিংশিংলগনু ইশানৌ, নিংঙোল থমুং লকাদা পাথং মীয়েল তাখিবা অকাওপরৈনথয়ো, লাংওন মপোক অমদা হুয়া নংগা থুংনশি, পুন্সি পম্থুং তানমিয়া নো দম শিহ্বা পাংমিয়শি।

শমক্কবী—পাম্ম নংবু থায়গা শকথ'দবা মকাদা লাংওন সিমা লেল্লুবা ঙম্মোই অদু ইশাবী।

লাংমৈ পম্মো নি'বা কাইগনি, নুম্মা বাখল চোইগনু, নোংদম থীবা থুমন ঐবু অকাওপবৈবনরোকো।

শমফবী—থুমন নোংদম থীবীগী, কাম্নদ্রবা ইহকচাং খোংবান তাওবী পেয়েনহৈ, চাদা তাওজিং কৈরাংশুম মাংজপ্রসনু মপোকসে।

লাংমৈ—থনফদ্রবা বাখলগু নিংঙোল থনু' লকাদা করিগী মীতম লাকপগে, পোকৃঙমদ্রবা তাইবং মপোক তরাই তরাই থনফদে।

শমফবী—খুঙং ওইবা নহোশা তম্বা ওইবা ন'াজং পাঙ্গল শোনবী নুপীচাবু ইরমই তাম্না পুথরগা হুন্দোক্লমগে থনবদি করি খোইনো ইশাবী।

লা'মৈ—নুর মংবু নুংশিবী পাইমা চনিং য়ৌখোনে পাথং ইশুং লা'গীদমক নি'গোল মৈমু লা'গান।

মতা—(মনুংদ কোরকই) মচা ইবেম্মা, মচ ইবেম্মা পম্মো স্মনা খোংলেংলক্লে। (চংঙকই)

লাংমৈ—নুবা ইনেমচা লৈহৌরোকে।। (থুনা চংখি)

শমফবী—[কপ্পা মতোমতা হায়] নিঙোল পোকপা পম্মোসে পাইমা পুকচেল থেলমল্লি তাম্মোই লৈবা নিংথৌকা, মমোম ওইবী ঐহাকপু কাওজনহনগে কৈদৌনুংগী।

মতা মচা ইবেম্মা বাংলেন অদে হৌথরে। থুমন পীবা মপুগী স্মা নাকোং য়োম্রগা উনবী অব' ঙৈরেচন থবী মাইবু মকথিন।

শমফবী—মমোম পুক'চল হ'দনা পম্মো পীবুক শেংদোকপা' তাংজ মাইরু ফিকুপ্পা রাজসনু মরোমদোম।

মতা—নত্তে নত্তে মচা ইবেম্মা, মৈতৈ পোইরৈ শিনবা থু' লাংগোই পাওবু চেনখিবা থুমন মুমথো' থুদিংদা ঙমা পাওবু তাকখিবা মৈতৈ

খুমন অমিমক ঙাইবু-শেনবু ওইননি লৈপাক পুংজাও থিনথিবা পন্থৌ মা মযাথং কাইহনফদে ইবেমা।

শমফবী খুমন লৈপাক ঙাকপা ঙমগনা করিগী মমোম ওইবী ঐহাকপু লুকমাই থক্তা হাপতুনা মৈতৈ লমদা লোনবগে। থোইনৌ ওইবী নচাকস্ন নিংতোল পাইমা থংলিবনি. ঐবু পোকপা পন্থৌ কা. যাবা ফিতৈগ শেংবীবা যাদবরা অগানবী।

মত যাৱৌবীমু ইবেমা. খুমনচাদি অখোবা লোংযাই [illegible] মশুংলাং নিংতোল থমুংদা চাক্লিবা মনাই নুবী [illegible] অনুমহিক্তি ওই-রগ কুমজা কয়া যাবক্লবা চাবা থকপা [illegible] খুমন ইপাম, লমদমসে খুংকন [illegible] মৈতৈগা চাই-[illegible] ওইবরা লৈপাক যয়া তপ্না পান বাঁৱেল থোদা ঙম্রনি পন্থৌ পীক্রক লেপলুবনি।

শমফবী—মত্তিক-মঙাল চাওরবা লাইরেল তুবী নিংথৌরেল, পোইমুম লাইদা পাংথকপা পীবী যাদু মীয়াইবা নক্তেনহে অচানবী। নুংশি থাইনা মশুংলাং, লকাপুংগী মৈথিসে নুংপা ঙমদা চোংজবী কমী থকী লেমলৈনিদো নত ঐদি।

মতা—মচা ইবেমা যাইবী মনু হৌহনা উনবী থোইবু থিংলীমু, পুক্রিং লৈচং থোবীমু পোইটৈ নিংথৌ হায়বসে হক্তা মীয়াইবীগনু।

শমফবী—অচানবী ওন্থোকপান নহাকসে ; ঐনা যাবা অমা মকাংই নংনা অমা মকেজি পন্থৌ যাথ অকনবা ঐবু করম পুশিবা নুংশি শক্তম মুংওনবা ঐবু করম কাওশিবা।

মতা—ইমোম বাথল মাংওইনা শাজং থোইচংনবীমু খুমন লৈপাকী থন-বীমু; মচা-মনাই কনবন মশিন শিন্থা ওইবনি নিংথৌ মচা নথোয়পী।

শমকবী পলেম শকপী নহাকসু পন্থো মাগী মীচংনি ঐগী মীচং অমত্তা লৈত্তে থুমন লৈবাকসিদা। —পলেম ইমা অপোকপী কে'রো নোংথোং হাংহন, লৈসিমা ঋদা ওইরগা য়েংবিযুনে ইমা, নমোমা বাম্বিবসে উত্তরবা অপোকপী। (কপ্পী ;

[থুমন নিংথৌ চংলকই মচাপী মত্তৌ য়েংই]

মত্তা—(ঽকপ্পী) ইপা ইবুংঙো।

শমকবী—[[illegible] মবাই লৈথোক্লকই মপা মচা' মাইথোক্লে]

নিংথৌ—ইপাগী [illegible] চৈরহল, কুমগুন মশিং যামগ্রবী পলেম নমা কোহনা [illegible] করিগী কপ্পগেনে [illegible]লেল। পোইরৈ মৈত্তৈ নিংথৌদা ইমোম নংবু থাগৎপা অনিংবা কোঙ্গাদ থুংজবত্ত ইপাগী লা'লেল চৈরহল, থুমন লৈপাক পুম। অবাবসে ইমোম নংনা কপ্পুগবা লাংলেল।

শমকবী—পন্থো ইপা ইবুংঙো ক'রি মাবা কোবগেনে অপোকপা। মপাগী মমোম ফুইরবা তালোই লৈবা নিংথৌগী কা নমোম ওইবী ঐহাকপু কাওজনহনবা কৈদৌনোং।

নিংথৌ—ইপাগী ইমোম শুংশিবী ; ইপানা পাঙ্গল শোনবনা নোংমাই ইরৈপাক অসিদা য়েংশিনবদি কোঙ্গাইনি, বামেল কথৈ ফমহনা কোমৌ নোংজা অমত্তা লৈত্তাকপত্ত ওমদেদো। পোইরৈ মৈত্তৈ নিংথৌদি থুংকন পাঙ্গলবা নিংথৌনি, হমেল লাম্মোং থংবনি, শারক খীংনা শাকাবনি।

শমকবী—ইপা-ইবুংঙো করিগীদমক মাইককোনবু কজকপীবগে অপোকপা।

নিংথৌ—লাংলেন, ইপাবু য়াবৌগন্নুনে ইমোম, থুমন লৈপাক পুম্না, অমতা পোকপী নহাকপু থাজবনি পোইটৈ নমদা। পোইটৈ মৈতৈ নিংথৌগা চাৱৌ মৌৱৌ পাজনদি থুমন লৈচাকলোন য়ম্না চেংকনি লৈপাক হুপ্রা লাওইদো ক'লা চোম্না তিনবদা। লাংলেন য়াবা তাদনা থুমন লৈপাক্তৗদমক থন, ইপাগী পিবুক কিটৈগ শেং, থাজ ইনিং তমথিদো লাংলেন।

শমফবী থুমন লৈজাকলোন কয়নবা পোইটৈ মৈতৈ [illegible] নোংমাই নিংথৌ মমোমপ্র নাইথাংমুবী ওইহনবা।

নিংথৌ—পামেল শিংজা চম্নগা লৈত লাইবা [illegible], [illegible] কেজোই থিম্নগা তম্না চাকৎ শিম্নবী থুমন নমা [illegible] [illegible] ইমোম নংবু।

শমফবী—(মতোমতা) থুমন ইমা লাইম্নবী। কম্নিগ লৈজ্রবী নমোম্নদি থুমন লৈপাক্তৗ অম্নাবা কোকহনবগী চমগদম্না অপোকপা ?

নিংথৌ—ইমোম নংবু পোকচমুন, থুমন লৈপাক মাইকয়নি, লাংলেন মথুক মেমথোনে।

মন্ত্রী—নোংমাই ইপাম লমদমগী অবা থৈবিক কোক্লবা শম্বো যাথং ইনবনা মাইকপনি ইবেম্মা।

নিংথৌ—অচুমনিদো লাংলেন, নমু তাইবং মপোক্তি অকাও নাইবা ইপাক্তা লেংদা উমাই হকতুনা থিংচং উৱোং থিম্নবা তাম্নবনি তাইবংনা।

শমফবী—ইপা-ইবুংঙো থুমন ইপাচা নোংমাই ইকুপলোইশিংনবু মাইক-পদবা লৈম্নবদি নমোমগী লুম্নেলকাও কংচগেকো অপোকপা।

(চৎখী)

[থাওমৈ মুংপা]

১—৩

লম্বী। লাংমৈরেম্বা, মখুত্তা তা অমা পাইদুনা বাখল তৌনা লৈ।

লাংমৈ—চৌংঙু জোমগী চাওবা খোইমুগী মোংদম থীবাও, মপোক লাংওন অসিদু, শাম্বু-ফুংশি শেংনবা মিংকী পিসে কংলমু তম্লখোইদকে। ঙবাদু কোমগী ফুংশবা পাওং শ্রুকং তাপবী, থম্ম থমু থুদিংদা ফুংশি মচাকু সিহেজি; নিংশিং নিংশিংলুরগা কাওবা যাদে মৈচাকনে।

লোম্বোবা—[মখুত্তা তা অমা পাইরদুনা চংডক্লকমৈংহ্র] পাখে, নংবু হু'ফি বা অরা-হৈরাং চন, পোংশেই মখিং লুনে নোংয় হৈ, খুমন মৈপাক চাওইনা কোইনা চংনা থীনন হৌও।

লাংমৈ—কাওগে হোংমৈ মডমদেনে পাখো। পাখ' শুক্লিং ফুংশবা ফুংশি মাপা মশকক্ষম লেপ্লেদো মাংদা চপ চপ।

লোম্বোবা—খুমন নংবু চামবা, হুপা লাইমা মান্দেদা ইভাও; শমফবী মাবু খোইনা ফবী লৈনা। অরা-হৈরাং চন, চাবা তুংওইনা পাখো করিগী লেনবগে।

লাংমৈ—বারোই কৌবদা তমদেদো পাখো, থম্মোয় থাম্বী মৈচাকসে। ফুংশি খোকাও তমদবী থম্ম থম্ম থুদিংদা থাম্বী মৈনোং হাপ্লীদো থম্মোয় পুবা যারক্তে।

লোম্বোবা—চাংঙু নোংদম মরালকু লমচাইকদে পাখো নংবু, লাইর চৈনা খাংবদা, তবোং খোংদাই শেংতুনা মপারী মমোম বাওথাকপী,

খুমন লৈপাক পুম্বগী অরা অনা থৈবিত্তি নিঙোল মানা কোকত্রেদো।

লাংমৈ — খুমন লৈপাকীদমক থন, অরা থৈবিক কোক্রবা হুংশি শকথোং পাম্মুবী খাঙ্গবনি মপোকসিনবনী।

লোম্বোবা — অকাও পরৈনথরো পাথো, হুংশি মৈচাক [illegible]নি, চীংঙ্ মাগী পোশিন্নি, খোইমুম মাগী নোংদম্নি।

লাংমৈ — মাংগী খেংলোক বান্নীবু পাইনা হুংবা থমুবা [illegible]ও থোলগী লৈরিগুম অহোইননা চাকহুদে। নোংদম খীবা [illegible]কসে, থম্ব্ থরৈ অমংলম কোয়ো থোংজিন মৌত্রি[illegible] [illegible]রোই পাথো।

লাম্বোবা — চীংঙ্ থোদা ঙাক্লিবা, বমু তাই[illegible] [illegible] থোং-শাঙ্গসি পাথো, অযুক য়েন্দা মাংদগী মায়ো কাসি [illegible]বা শাযেল অমত্তা শাতুদবে কোয়ো মমুম চ[illegible] মোইমনাই মশেক শামজ্রিটে মোংবা মাইবু তাম্নাস পা[illegible]।

লাংমৈ — থোংশাঙ্গসি পাথো ছত্রা চবুক লাম উনবী চকম হাংলক্লে।

[অনিশুক চংখি। খুমন নিংথোগা মনাই কাকপা লৈত্রেম পাম্বপা চংলকই]

কাকপা — ইনিংথো ইংঙো খুমন লৈপাকসে বাংপা কৌবা লৈখিদবে। মৈতৈ নিংথো বাঙয়োম্না লৈমবেল তাংবল কমতৈগী মওং অমা ওনখ্রে, নোংমাই খুমন লৈপাকসে।

নিংথো — অঙবা হৈ-শিংজিনহে লৈমাসে, বায়কচেংপী পল্লেম্মা চেংবা নাওকোমকপীনি মায়ো শায়াম থেংনবী পাম্বা কৈজেং অমোমগুম থৌনাদস্ব বাত্তেদো।

কাক — খুমন লৈপাক ইংলে মপুম্মেল, হুমেল লানপাও তাখিদবে মায়ো শাহ তাওখিদবে।

লিংথৌ—মিকপ মীয়াওখোলতনা অহিং-নুংথিল থাক্লমল্লবা, লৈভ-লাইয়া বায়ীনা থুমন লমজাও নিয়ম্বা, তাথিদরে অচানবা তাথিদরে। য়েংঙু নিংথিজল্লা লমদমসে, চাহ কুমজা থুদিংদি কুমথি কুমকাং ওইহনা মহৈ-মহেং পাক্লক্কবা লৌউ-শিংউ হাবমল্লবা থুমন থাদি লৌবুকসে উচেক ওয়া মক্তনা লৌবুক থুংনা চাত্তারি।

কাক অচুম্বগী মাবাদি ইলিংথৌ, যেক্লা মাইয়োং য়াবদা অঙম অথৌ তাক্লগা থুমন লৈপাক অদো অকাও-পইরনল্লে লাইনিংথৌ।

লিংথৌ [illegible]পাইরে অতাবদা অচেম থংলৈ য়াংনা মদোম খোংহোয়ক্লীবসে ই[illegible] অ[illegible] ·[illegible]

কাক—মাদি ল[illegible]দি। নোংমাই লৌশিং চাওবা নদাইয়েম থুমন অশৈবা[illegible]ল।

লিংথৌ—(কোই) নোংমাই থুনাইদা অশৈবা পাইমা লৌশিং চাওবা পোইরৈ মৈতৈ লমদমদা [illegible]োম মতৌ য়েংলুবা কোনোই নপাও তম্নোনাও অচানব লাও।

কাক—নদাইয়েমগী মংগীশিংনা থুমন লৈপাকী অবাবা কোক্পনিদো ইনিংথে। পাইমা ময়োশিং চাওবগী মকম কমথোক্ল কায়েদো নিংথৌ নৌচা থাইবেদো মপুয়েল।

নিংথৌ নোংমাই মাগী মপান্না; নিংথৌ পুক্রিং লৈতানা বায়েল থোদা ওয়ান; থুমন লৈপাক পুম্বনা অশৈবা মাগী মকমদা পুন্সি লমন তোনবনি।

অশৈবা—[চংঙকই থুক্নমী] লাইনিংথৌ ইবুংঙো।

লিংথৌ—তয়ম অচানবা, পাইমা লৌশিং শিংথোইবা অঙবা নংগী নপালনা হেদো-নাহে চন্দুনা তাংজা মাইথুময়মবা থুমন কংলৈ ইয়েপাক হয়াও মীনোক য়াকা তম অবা পুথা কাওনল্লেদো ইদাইয়েম।

অশৈবা—পনটৈদরে মপুয়েল পনটৈদরে। চৌংঙু থোইয়ুম নোংদমবু নমু তাইবংচা কনানা তায়োমহনবা ওয়গে।

নিংথৌ য়েংঙ্দো অচানবা নোংমাই থারি লবুক্তা কুমথী লৌরাং শুথরে, অনেথদি লৌরিদা লাইজা ইচেল তম্লীবা কয়াগী মতিক ফজবা।

অশৈবা—য়েংবগী পেনবা নাইদরে ইনিংথৌ, কৌনা অগোই উবদা থ্মন পোকপী লোকচরে।

নিংথৌ—হায়মুদো অচানবা পোইবৈ লমদম তাবগ্রবী মৈতৈ নিংথৌদা ওংগ্রবী অমতা পোকপী ইমোমদো হয়াও অমাম্ লৈহৌবরা অচানবা ?

অশৈবা—লাইনিংথৌ ইবুংঙো মাইকবা ; পোইবৈ লমদা শুংগ্রবী নমোম মাবা তাবদি পাইমা থৈনা মুংঙাইদো।

নিংথৌ তম্মুদনা অচানবা লৈমযোম্দা ওংগ্রবী, ইমোম তন্না তোমখিনবী কবি করম পালহৌবা।

অশৈবা মাবা থোম্থোক অথুবী নমোম লাংলেল চবৈহল থুমা শত্তম উবদা পোইবৈ মিংকম হোংনজ্রেদো ইনিংথৌ।

নিংথৌ—হায়মু তাশি অচানবা মাবা তাথৌদো।

অশৈবা—মীশক থংনা লোইনবী থ্মন চহু শমকবী অদেং থ্ডিং পুকহুবী মীয়াম থোনবী লৈমানি নমোম মাবু থাগৎলৈ পোইবৈ মীয়াম পুম্বনা।

কাকপা—অচুম মাবায়া কয়াইবা থ্মন নিংথৌ মযোমবু পোইবৈ মীয়াম পুম্বনা পুক্নিং থোইবু তাবরা ?

অশৈবা অচুমনি অথৌবা, মযোম লাংলেল শমকবী অথৌ লাম্লোনবী লৈমানি, পোইবৈ মীয়াম থোনবীনি মাবা অহম চিনগোইনা কোলোম মাগী মিংলেন হোং মৈতৈ লৈমা শাকবী মিংলেন মিংহম তমগনা অবাং কংলৈ নিনথরে।

নিংথৌ – তরম নংগী মাবাসে থুমখোইবা তাক্তা চিনগোইদা। থ্ মম চহু ইমোমবু পোইটৈ মামেল থৌদাদা শরুক মতম থুংলবা।

অশৈবা—নমোম লাংলেল মতিক্তি অহুনহু মদোমদে। থাংলেল নোংখাং কুমদি ক্রিশা মতিক হেমখীনি কিনৈ মাবু লাইত্তমা। তেন্দোং নমদা পোৎলগা লিক্কং থ্ংগুনহুনা নিংথৌ হৈবা ফুংইমা মাওই হাম্রৌ ইচিংথৌ মারৌ শাকা চৎপদা।

কাক—মুংঙ্গাক্তো অনিংথৌ নমোম মাবু ফংজবা নোংমাই তাংজ পাকলেপ্পো। অশৈবা মাগী মরোম্শিংনা লৈপাক মখা অপ্লেদো।

অশৈবা— নমোম মাগী মরোমনা মৈতৈ মুমখোং নিনথরে, থোদোক মাথোক থ্ দিংগী লৈমাং লপাও লৌহুনা অরুবা শাথোং লাখোংদা চিক্না মাবু তাইথোর। লৈপাক ব'মেল থৌদাদ' লৈমা মাক মেংহুনা হায়নিং মামা মনিংতম থনিং থবক মখা তম পোইটৈ মৈতৈ লৈপাক্তা হায়না থমা পানখরে।

নিংথৌ—ইদাইরেম থুনাইদা অশৈবা, সে সে চটৈ কিসে ক'জদ্রো।

অশৈবা—লাইনিংথৌ (থুকউ লৈতাবা)

নিংথৌ – ইদাইরেম খুমন লাম্লোই হল্লুবা।

কাক—লাইনিংথৌ ইবুংঙ্গো পুশিবা।

নিংথৌ—খুমন লৈপাক হরাও পুংজাও থিল্লু, শেংপা চটৈ কিথুংবা চাবা থকপা পুকথঙ্গা কুমজ' হরাওবা লেপহুনা খুমন ইচিক ওলকপা কুমশিং অচানবা কুমশি চহি কুমজাদি থ্ মন পোকপা মপুদা হৈরাং হৈথেল কাহুনা লৈরাং লৈহুন তরশিকো।

কাক - কপনি লাইনিংথৌ। (থ্ রুম্মী)

[থাওবৈ মুৎপা]

১—৩

মৈতৈ নিংথৌগী মৈকোল। মৈমা অহনবগা পুরোহিতগা
নাপ্পা চিক্কা বারী শাহনা মৈ।

মৈঃহন - পাইমা পুক্লিং য়োকো পুরোহিত, লৌশিং চাওবা মী ওইবা নংনি হায়বগী ভাববনি। মৈমা ঐগী কথা উক্রেইমা য়েংবদা। মৈতৈ মৈপাক অপুম্বা খুমন চন্দ্র মহাক্না লোইনা পুমখুপ শুপথরে, ঈনিংথৌ কাওবদা পুক্রেননা মাগী থুদোকীদা।

পুরোহিত অহনবুদি ইবেম্মা, হিরম থোদোক খুদিংদা ঐখোয়গী মাকা য়েংলবা ইনিংথৌসে, হৌজিক্তি থুমন চন্দ্র মাওরবদি য়াবা অমতা কাংখিদরে। অওয়া-অথৌ পুমম্বু মৈমা মায়ুক্তা থাগংনৈ।

মৈঃ হন—য়াম্মেন থৌদা কয়াদা থানদরে নথোয়বুস্ত মওক মরু হাইগংপগী নাপ্পা চিয়োল চংগনবী থুমন চন্দ্র মহাক্না লোইনা পুমখুপ শুপথরে।

পুরোহিত—অচুম য়াবানি মবেম্মা, ননাই ওইবা ঐখোয়দি ভাববনি কাংথাথাং, পামেল কংশি পাংথকুম লেপ্পী হায়বতা মথাইরে।

মৈঃ হন - মুম্না থম্মু পুরোহিত। নাপ্পা অনি শুকরোই অঙোম চন্দ্র ঐহাক্কী পাইমা ইভিক খংহনগে থুমন চন্দ্র ওকমবী মওক লুজাও থুদেকে। পুরোহিত নংগী নপান্দগী মৈমা ঐবু অমুক্তা পোইরৈ মৈপাক অসিদা হাইনা হয়া পানহল্লু।

পুরোহিত—ননাই ওইবা ঐহাক্না কংজবিবা ফমথোলসে মপান্দগীনি মবেম্মা। মৈমা নগুনাংগীদমক পুরোহিত লুরেল কংচগে।

লৈ হন হায়যু তাসি অহৗদি, করি কয়ম তৌরগা মাগী মরাল পীশিগে।

পুগ্রম্বা—তরাইবদি নত্তেদো লুদি লুম্বি ইবেম্মা। ইনিংথৌনা চাঙ্গিদো, লৈপাক্ থাইনা হুংদিদো থুমন চত্থু মহাক্কসে।

লৈ হন—অহুনবু [illegible] হায়যু কয়ম পাংথোক্কদিগে লংলা লংজিন পুথে কৌ। অদুবা নথোয়গী নয়োংশিং তাংজবদি ঐথোম্মনা।

পুগ্রম্বা—([illegible]) ফিনহুং নিনথুং তাংনবা য়াবা অমদি মরৈদো পোইরৈ মীয়[illegible] থুমনা।

লৈঃ হন—কা[illegible] য়াবাদো তরেং-তরা থমদি।

পুগ্রম্বা—য়াবাসিরু লৈ[illegible]রেল, গোংগদি থোক্তেদো।

লৈঃ হন—লৈমা ঐনা য়াম্বিনা, করিগী পাইমা চিংনবা, কাংলকউনে অচানবা।

পুগ্রম্বা—মপাম [illegible]ন সমদমদা, নিঙোল শিংদা চন্নিত্তৈ হুবানা পুক্রিং আঙবা তম্বা পাথং অমদি থুমন পুংদা লৈরি হায়।

লৈঃ হন—আ—আ। লৈতফগোই করিগীহু, নিংথোল ওইবী হৌনবা থোইদাজবা লৈবমগনি।

পুগ্রম্বা—পলেম ঙমশি তেমশিংনা, পন্থো ঙমশি হায়নবু শরি মথৈ কংনবা নামুং মতোল লোম্নবা তম্বনিবু তাজেদো।

লৈঃহন—লংজিন অহু কংলবু করি অমুক বারুদি [illegible]গদে পুগ্রম্বা য়াবা নাক্কোই পঞ্জনা চিরোল খোনম থবৃদি ইনিংথৌ[illegible] নাঙ্গা য়োইন্দব য়াদেদো।

পুগ্রম্বা—ননাই থংজরে লৈমাবী; শিঙ্গা খকক য়েঙ্গোক্না নাকপাক য়াক-পাক পুনসি।

লৈ: হন—ঐগী শরুক মণ্ডমস্থ অহৃক হায়য়ু মত্তাখি।

পুথ্রম্বা—পোইটৈর নৈমারোল লুচিংবা খংমম্রস্থ গংদেদা মাংলমচংকী য়াং-লেপ্পা লৈপাক মীয়াম মমাংদা খুমন চহু মঙোম্দা খোংঙা ওইনা পীথ্রবা মপুঙ্গী ম্মা পর্য়েদো লোয়া তুমিন্না হৰীয়কউ ননাই কুম্নে হৌজয়গে।

ল:হন—(হয়াওনা) চুম্মীনহে পুথ্রম্বা লৌশিং লৈদকো নহাকসে। (খুকাপ্পী কাপপী) খুমন চহু নং কৈদা লোংকনি ঐচোম্পগী।

পুথ্রম্বা—ননাইস শিংহা পাংজকুয়গে, লৈমাগী মঙম শরুক্কো পাংথোকপী-য়ক্রো থুনমক।

লৈ: হন—চংনো চংলো অচানবা চেকশিন্না নথৌ পাংথোকউ।

পুথ্রম্বা- ফগনি ইবেম্মা (খুক্রম্পী চংখি)

লৈ হন—(মত্তোমত্তা, উং ঐগীস্থ ইথৌ পাংথোকউদবা য়াদ্দে। (চংখি)

[থম্বাহাবা নিংথৌ শেলুংবনা থোপগ তৌয়হনা থোয়কই।]

নিংথৌ—লোইপোং থৌবা চংখিবা শানৌতোনগী মবা মপাও তাবয়া হা অচানবা ?

সেলুংবা ননাইনা তাজয়কপদি ইনিংথৌ, থোবুম চীংশাং লাকপদো অথেনপোংকা য়োয়ননা মনাও ইবুংঙোদা চংজবদগী য়াইবা কক-বাৰে তাজৈদো মপুয়েল।

নিংথৌ—চংলু অহৃদি অহানবা তবা নিপা অমা থারগা লাক্লোই হঙ্গবদো কৌহল্লু। ইশানৌ লৈয়াং অতোনবা লোইপোং থৌবা হল্লকপা পোইটৈর মীয়ামগা লোইননা ম্মা লমওক লৈবু শক শানৌ যাবু লমঙ্কউ।

সেলুংবা—ফগনি লাইনিংথৌ।

[খুরুমগা থোকখি। লৈমা অতোম্বী শাকবী মথবাই
মুংঙাইতনা চংলকই]

নিংথৌ—(তম্বাম্না কৌই) খুমন চনু শকহেনবী, মৈতৈ লৈমা পুকফবী নিংথৌ খরাই ওইজবী চংঙকউ ইশানৌ চংঙকউ।

শাকবী—(চংলকই খুরুম্বী) লাগনিংথৌ।

নিংথৌ—লৈমা, রাম্বম করি লৈবনা অবা-শক্লোন লৌবগে? খুদাং পিকম লাইহুনা নিংথৌ ইকা তম্নকপদি কনানা নংবু লাকচরে।

শাকবী—পোইরৈ লৈকাই মপুরেন খুমন ইশাম লমদম্বী অনা পাওবু অমতং নশানৌ নাকোং থোরকপা পুম্না থাদা হঙ্গংচরিদো লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—হায়বু তম্মু তাশি লৈমা, নশাম খুমন লমদমদা নহু কনা নাবগী উনবী অরা ভুরৈ চন থবী মাইবু মক্তুনা মিংলু পিরাং হৌবনো?

শাকবী—খুমন ইপা নিংথৌদো অনা লাইও থংদনা থরাই লাইকম্নবহোবা নোংশিং রারে হায়নবু পাওবু লাক্লে লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—খুমন অদোন পুম্বিবা, নোংমাই ইঙাই নিংথৌবো অনা লাইপোৎ কাররা!

শাকবী—ননাই লাইবক থীবিরু, ইশাম খুমন লমদমদা পম্মৌ লাইওং রেংজরুগে মা নোংদম তম্মীয়ু।

নিংথৌ—অচুম্বীদমক্লা লৈমা, মাথং নাহে চন্দুবা নিংথৌ ইকবদা পাওদবা।

মৈতৈ স্না লৈপাক্তা শানৌ নংগী ননিংনি। চংলু; পহম্হু, নংনা পুনিংবা স্না লুপা ননাই নশন লোইননা খুমন নোংমাই নিংথৌগী অন লাইকমক্নসো।

শাকবী—(নিংথৌ খুক্লমী খুমা উমদ লৌমগা মকোক্তা হাপসী)

[থাওমৈ মুৎপা]

১—৪

মৈতৈ নিংথৌগী স্না শঙ্গাই। মাঙ্গোলদা কক কঙ্গরবা অমা থাদুনা লৈ। নিংথৌ ফমদুনা লৈ। লৈমা অহল তোগাইওম্বী হমা খমা য়েংদুনা চংলকই।

নিংথৌ কনানো? লৈমাহল নত্তবরা?

লৈ:হল—(ফিংনা কিনা খুক্লমী) অা হোই ননাই ঐনি লাইনিংথৌ। (মকোক খুম্নী)

নিংথৌ—কম্বিগীনো অতো, নংনা কিথি-কিক্লম নিংথৌ ঐগী ইকা তম্নকপদ্র?

লৈ: হন—লাইনিংথৌ ওসি কোম্নৌ নোংশিদি মান্না অমতং।

নিংথৌ—চিংমা পম্বে থমদনা মান্না কিগৈ শেংজৌ লৈমা।

লৈ:হল - স্না নাকোং মাইচিনগনি। হংকংওনা থম্নকপা হংকংলুয়ে হায়রগা থোগল লোন কাইবা তারবা হংকংওনা থম্নক লৈপাক থাইগী মাংলকই। চাসি কদাই মকন হপ্লোকসি কদাই মতোংনি।

নিংথৌ—করি য়াবানো লৈমরেল, নিংথৌ ঐগী মাংলবা মৈতৈ লৈপাক পুম্বগীনি, লৈমা নংগী পোক্লবা নিংথৌ ঐগা মাথনি অশুপ্পবা থমকদে য়াবা ফিদৈগ শেংদোকউ।

লৈ হন—লাইনিংথোন লুন চাম্না থমজবী, খুমন চনু মকাদা পোকপনা লৈপাক য়াথোক ওইথকক্রা কিক্তনুন ননাইনা শাংলকপনি হৌজ কৌজ।

নিংথৌ—তাশি হায়রু লৈমা নংন খংবা পুম্বদে তম্মু ঐগী ইফমদা।

লৈ হন তুবী লাইথেল ইনিংথৌ, হংকংচংনংবদি কোঙ্গাইনল অপ মপুরেল খুমন লমদা ওংপ্রবী ইমোম চীংথৈ থানবীগা পা থক ওইবী মহারানী ননাই হংকংচরোই।

নিংথৌ—লৈমা, করিগীস্ত হায়দফরোই, ইমোমগা পাংথক ওইদুনস্থ মহারা থকশি-থাশি নাইদনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাকী মাংনা তাত্র হোৎনরক্লবদি।

লৈঃহন—নত্তে নত্তে ইনিংথৌ, য়াথল মপুং ফাত্রিবী নাওর ওইবী মহারানী স্বা পুরিং বারোবীদু।

নিংথৌ—হায়যু লৈম অতুদি, নিংথৌ ঐগী অতোপ্পী খুমন চনু মহাক্না করি থৌংথাং কাইরম্বা?

লৈঃহন—লাইনিংথৌ ইংংঙো, মপু মাথুমা থাদা কম্বু হংকংলসিগে। নোংয়াই খুমন লৈপাক্তা নিঙোল পোকপা পঙ্হৌবা নিংথৌ ওইরি মহাক্তম; লাইরেল ইমাবী নহাক্না লৈমা য়াবু চাক্লি মওংগুম মনিং মথা তম, মপাম খুমন লৈপাকী তম্ব নিপা অমগা, মীরক নাম্বর মেং: লোমা থুপ্পা হাবীশা লোম্লা-লেনা লেংকপ লোইদাম য়াথক্লেদো লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—কার লৈমা করি। তম্বা নিপাচা অমগা।

লঃহন – পোইরৈ মপু মহাক্না অঙম-অথৌ লোইনন হুয়েল লানবু লেংথিরৈ, মতম অহাংবা য়েংহনা খুমন তম্বা মহাকা – ।

নিংথৌ মৈমহুন অচুম য়াবানিকো।

লহন – (কপশিংবা, লাইনিংথৌ ইংংঙো ; অঙ্ক কুইনা নমাইনা ময়া থোগল য জংনা পোইরৈ মীয়াম কোল্লকপা, ইনিংথোগী য়াইকনবতা ওঙুনুন ইবুক থোকী ইমোমবু হনু-মগ্নাই চক্কবা খুমন নিংথৌ মকাদা থাঙথিবা নত্রানে ইনিংথৌ ।

নিংথৌ –(মতোমন্ত) খুমন চনু ম য়ুক লোংলবা।

লহন—ননাইগী য়াবা বাওইবীত্রবঙ মৈমা মাগী মপাওনা ময়া মৈপাক চেক্কনা পোইরৈ য়ুমথোং খুদিংদা নাপপা ।ংনঙুনবিবা তাবীযুনে মপুয়েল ।

নিংথৌ—খুমন চনু। নংবু ইমোম শক্না ঙাংনিংবা ঙাংহন শেংনিংবা শেংহন, পোইরৈ লৈপাক অসিদা হাইন থগা পামজনবা, তাওবা হুইনাও চাক্সগা মৈকোন লেকপা শারদনা, মৈতৈ নিংথৌ ইত্তিক খংলো'ত্রাদো শবিশো।

ল.হন পাইম লিংজেন য়েনসু বাওক্টবিথিনু লাইনিংথৌ। অতাং নাওবা ওইবিদো, থেয়া নোনা ময়েংথিসি।

নিংথৌ হায়যু। মৈমা হায়নু নংনা খংবা পুম্বদো তম্মু ঐগী ইকমদা, মরিল চুমদবী মুপীদি মক খরাহ্বাবগী মৈমাশিংদা চনকবোই।

লঃহন—খুমন তম্বা মহাকী খুদোক মৈরাং নাচোম্না মৈমাগী তাব খনখিবা ময়থিংপীমু লাইনিংথৌ।

নিংথৌ ঊং — ।

লঃহন অহনমু মকোমদেদো লাইনিংথৌ : মৈমা ময়ানা তমীবু, হুয়া খুত্তা

শিরিবা মপুগী স্না পরৈফাও নোংমাই মাগী মফম্দাং থুদোল ওই লাম্হোকপা।

নিংথৌ—ঐগী থরাই শক্লা থমজবা খোপপু খুমনদা খুদোল তৌত্রব।

লৈ,হন—মচেম ওইবী ঐহাক্‌ ফজ্জে তৌনু হায়রুবা খুমন চনু ৬কনবী বা' থওই তাবিদে, মনাদম্ব হাপপীদে।

নিংথৌ—লাইরেল মৈদিংঙু ইপানা থম্বীরম্বা স্না পরৈ থরাইমক্কি থঞ্জ খুমনগী খুদোল ওইনত্রবা। ইস—লৈপাক মীয়াম মমা'দা ৫-ম পোম্বী মাইথুবা তাংজা ফিরুক থুম্বা।

লৈ হন—থুমন তম্বা মহাক্কী চৈরে খ্যাংয়েং ফিমন৭ লৈমা'দা তাবু মচু' খোইযুম থাগোমবগুম লাংচরিদো মোইমরেল।

নিংথৌ—কৈ লাকখিসনু ওক্তবী মিতক খোকপা লারগে।

লৈঃহন—স্না পুক্কিং ইংথবীযু ঊনবী চকম ফাবীযু, লৈপাক মীয়াম তাম্না পোইরৈ বাথোক ওইননি ইংথবীমু মপুরেল।

নিংথৌ—থুমন চনু লমকেংপীদো মোরকপগা পুশিল্লকউ। ইমোম শ, থরগা মাবু।

লৈঃহন—(চৎকদবগী খক্রুগা হোৗগৎলগা লৈথোক্লকপদা লৈমা অতোপ লাকপা উবা) থুমন চনু লমকেংপী মোরক্রমাগে লাইনিংথৌ।

শাকবী—(চংঙকই নিংথৌ থুরুম্বী) লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—[থৌ-বা শাদনা লৈথোকহুন। লৈ]

লৈঃহন—[মপুক্কিং হয়াওনা] ইমোম শকপী ইবেম্মা', লপাম থুমন লমদম পম্বো ইপা নিংথৌগী অনা লাইকমক্রুবদি, পম্বো ইপা ইবুংগো নোংমাই থুমন নিংথৌবু অনা লাইথাই তাররা ইবেম্মা?

শাকবী -পলেম শকপী ইচেমহল পম্থো ইপা নিংথৌদো অনা থোইয়ুম পরৈ হন্দূনা অবা-পোথাহৌরেদো।

লৈঃহন—হৈমা নমদম কৈরৈদ কারকপা মারো শক্তি মচানো ওহ্থোক্সু সুংশিরেদা। [চংশিনবা]

শাকবী—মারো শক্তি মচাদো ননাগুনা ফাবা নচ্চদে খুমন চাদি ফয়াইবা নোংয়াই লাংথৈরেরনা পম্থো ইপাদা কংলবদৈ ননাওনা মারো মাবু নিয়গা ইনিংথৌদা কংচগে পুক্সরকপনি ইচেমহল।

নিংথৌ—করি ওক্কবী করি। নি থৌ ঐগী ইমাংদা হায়গে হায়বা মতাঙুম; নপাম খুমন লমদমদা চংপা মারো শারমচংতু পোইরৈ লৈপাকসিদসু চংপা মানি থনবরা? খুমন মচানা কারকপা মারো শক্তি নিংথৌ ঐত্তোন্দা কংলগা নংগী করি তোংগৈ। মৈতৈ নিংথৌ থরাম্বাবা মথুং তেকপা নিংথৌনি থনবয়াহে লমকেংপী।

শাফবী—লাইনিংথৌ ইবুংঙো ননাইনা করি লংজবা!

নিংথৌ—নংগী নবা ভানিংদে, কদাই নিংথৌ ঐনা নচোন্দা থোংঙা ওইনা পীথিবা ঐগী মা পরৈদো পীরকউ কদাই।

শাকবী -(কপ্না) লাইনিংথৌ ইবুংঙো বাফম অদো ননাইনা মা নাকোংদা হংকংচগে থজরবনি ইনিংথৌ।

নিংথৌ—কদাইদা থমব্রবা, চিরোল লৌনম মারানা লৈপাক-নিংথৌ মীনমগনি থনবা শারিব্রা লমকেংপী।

শাকবী—নহান কোমো ননাইনা ইক্ক শাশেংবা চংব্রিরৈঙ চরৈ ফিনা যোমহনা মুথুম কাদা থনবা মপুগী মা পরৈদো কয়ম্বু মাংখিবা ননাই পাইমা মুংবংনৈ।

নিংথৌ—হাঃ হাঃ হাঃ। মৈদিংঙু-থরাম্বাবা নিংথৌবু মিংশা ইয়ম ফুনবা নাম্না পাংথোইনবা মিংথৌনি থনব্রহে লমকেংপী, নংঙবা মপুক

মোংবী মরিল চুমদবী মুপী খবদি নিংথৌ ঐগী মাংবন্তা মন্তবা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী মাংগনি, নি'থো ইভিক থংগনিংদনা নং। (শাওনা থোকখি)

শাকবী– ইনিংথৌ ইবুংঙো কর্রি মাথা কোবগে। [ও থোংনা কপহৌই। পুখ্রম্বা চংলকই]

লৈ:হল [কৌই মিং থংনৈ] পুখ্রম্বা।

পুখ্রম্বা–[খুরুম্মী] লৈমরেল।

লৈ:হল—(পাথংনা হায়, চংলু পুখ্রম্বা নং চংলু। ইনিংথৌদো, অশাও থোংকাপ মাংওইদনা নিংথৌগী পাফল পরিং তিং মাইবী ইশৌ লাংবা ম্বা থোংলেংখ্রবনি মপু পুক্কি ফাথক।

পুখ্রম্বা কপনি; ননাই চচ্চগে লৈমাবী। (চংখি)

লৈ.হল (কৌরগা হায়) হায় হায় পুখ্রম্বা, ইনিংথৌ ম্বা পুক্কিং কাথদবা রাদেকো।

পুখ্রম্বা—(থাপ্পা খুম্বা ননাই থংজরে ইবেম্মা।

লৈ হল– [শাকবীগী মনাক্তা চংশিন্নি মশম মনা পেমজিনবী থেম্মা হায়] ইমোম শকপী ইবেম্মা করিগনো ইনাওনা কপ্পিবা, ইচেম বা হায়গে তাও। নচেম ঐগী হকচাংদা মিছন নাম্ম লৈরিত্তৈ কনানা ইনাওবু লাকচগনি।

শাকবী—ইচেমহল ঙসি ইনি থোনা লৈম ঐবু লৎননা পাইমা তিনাং লৈকুম কং ওনাং ইশৌ লা'বু কপোনোংগীনো ইচেমহল ?

লৈ:হল—তুমিন লৈমু কপকনু কনানা ইনাওবু লাকচগনি, ইচেম লৈরি রাগম্ ; ন'বু ইচেমা লোয়বীনি থঙ্গেদো, খুমন নমদা ওংগ্রবী ইমোম মানি থদ্দুনা থমজবনি ইচেমা।

শাকবী—পলেম শকপী ইচেমহল ইনিংথৌবু থেমজিনবীগুনে ইচেমহল।

[মথোংদা তুথৈ— ও খোংনা কপপী]

লৈঃহন-(কোনথংপী থেম্বী) ইচেমগী ইবেম্ম নুংশিবী ঙসি শেংনা হায়দোকউ। পুক্রিং থুপচানগনু; থুমন লাংমৈবেম্বা হায়নবা তম্বা যাবু কনানো?

শাকবী—(ঙক্লা) ইচেমহল!

লৈঃহন—চিংনা পরৈ লৈগনু, নচেম ঐচোম্বা গুপকনু ইমোম মানবী নংগী-দমক ইনিংথৌগা মাইয়োক্না পোইরৈ মীয়ামগা চাইনগে। হায়যু তম্বা অদো কনানো?

শাকবী—পলেম শকপী ইচেমহল, পঙ্থৌ ইপা নিংথৌগী অ'ানবদি মনাইনি, লৈমা ঐনা নিঙোল শিংদ চাগৈ, পাথং ওইব মহাক্না অপাম নুংশি মিংচানা পুশি পঙ্খুং পানমিয়াশ শাঁৱ পন্দোম লোয়খি। নিংঙোল কাইনা ইশুংলাং এমন তম্ব মহাক্তি অঙাওবগী পান্দমঙম ঙসি কাওদ' লৈরিদে।

[নিংথৌ শাওনা চংঙকই। পুত্রম্বনা পোঁগল তৌরকই]

নিংথৌ—থুমন চনু ওক্তবী। নপাম লমদমদা চৎপা য়াবৌ শাগী লমচংতো পোইরৈ স্মা লৈপাকসিদ চৎপ য়াবোই থংঙু।

লৈঃহন-[শকফম ওল্লি। শাওনা হায়] ইকাই খংদবী, নোংমদোল লৈপিনঙম বাংলেল খুদিং চুপনবী লমচং-চুমদবী মংনা পোইরৈ মশুবু মীনমচা, শিঙেল লৈরাং লায়বা তাওশিং হৈয়াং পীনবা থ লোই উয়োং নিংত্রা হাই। মপুগী স্মা পরৈকাও, মীচমথদা কংথোকপা। নোংমাই মানা গুয়কপা শিঙেল নাচোম নত্রাদো তাবু থম্না লৈরিবা। নংনা চৎপা শাজংপু খংলোই উয়োই নিংত্রাহে।

শাকবী—(ঙক্লা) ইচেমহল!

লৈঃহন—(শাওনা খুপাক্লা থাজিনবা) কবি ইচেমহলগা হায়বীয়কনু। পুত্রম্বা।

পুরেম্বা—লৈমরেল।

লৈঃহন—চৎলু ওক্তবীসিগী তাম্নগী মাংগী চৎলু।

পুরেম্বা—ফগনি। [খুকম্মী চৎখি]

লৈঃহন—মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ অমা চত্না নিংথৌগী নক্সবা লোইবী চীংশাং পুম্বনু পাম্বোম্মা। থাবা মকোক নাম্না এরুম চক্তিগী লোইপোৎ কাম্বিব নিংথৌরেলগী মফম কম্বা লৈত্রবী অমানথাক নংনঙ্গ মীনম চাবা। ঐ লৈ রবম অফা নাইনা উহৌ।

নিংথৌ—মাবো শামকুপ্ন নং। অঙ্গন এম্বোক মৈতৈ ম্না পুম্বাদা নিংথৌ ঐগী মিংচৎ মক লেহোন্না নং শিল্লবা নত্রাদে।

শাকবী—লাইনিংথৌ।

লৈঃহন—মথং লোটৈ নিংথেম্দা থা পোইটৈ শীবা মপুরেল মৈতৈ ম্না লৈপাক্কী চাক্তম খেন্থাবা নমাংকানশি মক্তদা শাগী মমচৎ চৎলব দ অম্নাম মচা থৌবা চাক্তম খেনম লোথিনি। পাম্নম পুম্বম চৎনলোন কাইরক্নি লাই নংথৌ ইচা-মচা থাদনা বায়েল পম্বিং চুম্না থাবীবনা ফগদবোই মপুরেল।

পুরেম্বা—(মুপী লুবাক পুবী অমগা চংলকই) ননাই পুজম্নে ইবেম্মা।

মুপী—(খুকম্মী)

লৈঃহন—থম্মু অতৈদি'

পুরেম্বা—ননাইনিংনা পুম্বকহৌম্ব ইবেম্মা। (মুপীহৃদা) চৎলু অতৈহুঙ্গ ওক্কুচো।

মুপী—ফগানি অওম্বা! (চৎখি)

লৈঃহন—[লুবাক মখুম হাংদোকই চৈবে কি মম্নাম চাইথাই নাপোম অমনবা থম্নগা খুমনগী থাংচেৎ অমগা লোথোক্লকই] ম্না মিৎয়েং তাবিয়ু লাইনিংথৌ; ওক্তবীসিনা লাংঙমীবা থোৱাংসে কম্নাদা তমথবা।

শাকবী—লাইনিংথৌ ইবুংঙো ননাইনা লানবা পুখা ঙাকপীয়ু খিঙেল মৈমম চল্লবা লৈরাং নাচোম মরামসে ননাই ঐদি থ'জদে, কনাগী চরৈ ফিমননো ননাইগুবী থংজদেনে লাইনিংথৌ। (নিংথৌগী মথোংদা ভুই)

লৈ'হন- থ্মন নয়েক শলাইগী চরৈ ফিরোই অদিবু পোইরৈ ভখা কনানা থাংয়েংনবা রাওবরা; নোংয়াই নপাম লমদম-মাং পোইরৈ মীয়াম য়োনবদি লেয়া খানি থনবরা।

নিংথৌ—ওক্তবী শাগী লিচং চংগী ন'গী মাবা নপাওনা লৈমরোনসে নিজে, নাকোংসে শিংজা রৈয়ে। শাইজিন ইযুম লোয়বা লৈপাক পুখা মথৈনা নিংথৌ ঐবু কয়িনি হায়নয়মগনি; চংশ্রো চংলু নশক য়েংনিংদে।

লৈ হন ইনিংথৌ স্না পুক্লিং তপথবীয়ু লৈপাক মাংদা ইকাইজৈ; শরিখো চৌংখৈ লাস্থবী ইমোমমানা চংপা শাজং ওইরম্মুদনা লৈবা ইত্তিক থংলোইত্রদো।

শাকবী—ইচেমহল।

লৈ হন—ভুামন লৈয়ু, ইচেমহনগা কৌবীরকহ্। লমচং মাইদবী মাইথাবী নংগা মাইয়োক্লনিংদে; পাথাং-পীথাং তারক্তি নংগী অঙ্গম শাজংপা পোইরৈ মীয়াম মমাংদা শমু মাইথোং উত্তুনা ভমজেনহে চংপা লিপ্পাওবী।

নিংথৌ—থ্মন মচানা থ্দোল জোয়কপা য়াবো শজিনা নিংথৌ ঐওোম্পা লেমবা নোংয়াই মীয়াম মমাংদা মৈতৈ নিংথৌবু থোংগোইবনা। নিংথৌ ঐনা লুনা চায়া থয়গা তাংজা হেকমাই কাবা; থরাছাবগী বাবীভনা মৈতৈগী মাংবী তেমবা। হাব পুশ্রবা।

পুশ্রবা লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—চৎলু, খ'লিংহল্লবদা হায়রক্লচো। মাবৌ শাজং মাল্লৈনবী খুমন চহু ওক্তবীসে ৎবোং থাওদা নমংনা লাইজ। ভামী থেম্বল্লু।
শাকবী লাইনিংথৌ।

[বাম্বাথিবা]

মরুকী পোথাবা

২—১

অহিং অথেংবা। লম্বী। য়েলনচিংবা খোংবা তাই। মনাই ময়াম্না শাকবী পুক্লনা চংলি। শাকবাগী মনাইম্নপী থাপ্না কৌক্লনা চেল্লকই।

মভা—ইভ ইবেম্বা। খুমন ইভ চাম্নবী।
শাকবী—[ভপ্না তুং হম্ন। য়েংই মমিত্তা মপী চহুম চহুম তাই। মনাই ময়ামত্র লেপ্পী]
মভা—[চেনখিল্লকই কোয়ৈ কম্পী] খুমন ইভা চাম্নবী লাইবক থাবী ননাইবু কনাদা শিম্নবিম্নখগে ইভামোই।
শাকবী—পলেম খিম্না নাওয়োকপী।
মভা—ননাইবু কম্নি ওইরশিগে ইবেম্বা খোয়েলমকস্থ নক্তন।
শাকবী—মৈহোয়োকো চাম্নবী হয়েংমুকী লাংওন্দা খোইনৌ নংগা উনখি।
মভা—মৈমা নক্লম খুপতুনা হিংজম্নবী ননাইদি কনা য়েংনা মৈহৌনি· নহাক মৈজবা পোইম্নৈদ। মৈকপদে ননাইম্ন, হৈনা নতুং ইক্লগে।
শাকবী—ইভা নংবু মুংশিবী, হয়েং কোবা ইহুংশোই মালেম নোংদম থৌবীগী

কাইনা পাওবু তাবদা মালেম তিংথৌ থুবাম ফোই থবাক তানকম খুছুম শু, ইশাগী লাংলেন চৈরেহল ওমা থোইনা কমদে। ইতা নংনা সংলুপব পম্মো মাগী মৈ।তেং।

মনা—তন্নু মশাই চম্মবা পম্মো মৈচাক থেংঙম্মোই, নত্তা লাইবক থীবীষ্ হেন নক্‌চুং ইক্লগে।

অনং—মৈতৈ লৈম ইমা মতম ওইরে লেংলগি। লোইনবী ইবেম্মা মোংবা শক্লাই শাংবীরো। ইনিংলো সা মমাথং লৈমা ভুংইন চংফরোই।

শাফবী—লৈহৌরোকো চানবী পৃনিং ফিগা পদনা মনিংথৌ থোগল ক জবীনি তথীরকটকো ইতারোই পোইরৈ মুমথোং থাদিংলা।

শাফবী—মমাই লৈছুন তপ্পা নপ্পা চংশি মনাই মরাম ইরথি।
লোইনবী মতা উথুং ন লেপতুন লৈহখদা। [নথি]

মক নক্তে নওে ইতারোই, ননাইম্ গল ক'জগনি। (চেনখি)

[থাংমৈ হপ]

২ ২

মৈশিত নিংথৌগী সা শক্লাই। নোংতালমদাই নিংথৌ থবাম্বাবা কমুংদা মগোং য়াম্থাহনা মকোক-মরু ঊকা কানা লৈ। অমুকন্‌ হৌগংলি মচি অমদা চপ লে।তৌ, মকোক-মরু শুরু শুরু লোই মচিন্দা মুরুম মুরুম শোল্লি।

নিংথৌ শুহৌকপনিদা মুমন গ ন না লাংঙমীবা থোরোংলে ; মৈতৈ সা পুবাদা থবাম্বাবা ঊ'দ কোলোই থিমা লৈহৌরল্লিমকো। ঐবু পোইরৈগিগী শীবানি কাদলা করমা সা তা'বল লাংলসিগে। ইস।

থোনা মৈবী মৈমানি পাম্বা হুংদা থন্দুনা লুনা-চায়া থমলুবা ঐগী মাংনবা ওইরেকো। (শাওনা) উং মৈ। মৈতৈ নিংথৌবু তাংশঙ্গবা শোইথোং তাইথেংপা লমক লুথুবা থমন তবা নংবুহ য়াইবী চাইগনি [তৌকম থংদনা হঙ্গৎ-হন্দা চৎনি। নোংঙাঙমদাইগী য়েলনচিংবা থোৎলকই— তাই। অঙাঙবগুম হায়] ইহুং অসি বাইরক্লে। ফাওবা শুক্রু থক্তা কাইরৈ য়েনবা থোৎলক্লে; থুমন চহু লমকেংগী পুক্রিং য়াথক ওমদবী য়াইবী মথয়াই মাংলয়গনি। হা! হা! হা! [মথাংতৈ শাকবীনা তাংখিবা বা কৰা নিংশিংলকই]

[Flash black বাকৈ]

শাকবী—লাইনিংথৌ ইদুংঙো, ননাই লাইবক থীবীবু ইপান থুমন লমদমদা পন্থো লাইওং য়েংজকগে স্ব নোংদম ওস্বীয়ু।

নিংথৌ [অহাংবা মালদা মুয়া য়েংই হায়] ঐগী য়াথ না ঐগী তালোয় হাংলবা!

[থাপতক্লা পুঙ্গবা মৈমহনগা বায়ী শাবা তাই]

মৈঃহন - অওবা নোংমদোল অয়াংবব শমু থৎনা ফংবগুম হয়াও পুক্রিং মৈচং তাজরে। মৈনা ঐগী ইকাদা শায়বা কিয়ান তিংথং থোংবুবু শোথোক্লেদো পুঙ্গবা।

পুঙ্গবা - ইবেম্মা লংওং পুম্লিং অমবু লংনিংদা শবা হকচোক লাং চুবা-তৈকা নিক, মালং ইচিক থীংনা লেনবীয়বা বালেম্পো লেনথনিদো মৈমরেল।

মৈঃহন—কোক্লে অওবা ওয়মক কোক্লে। পুঙ্গবা নহাকী নপাম্বগী অতোম চহু মৈমহন ঐগী লোইরং শিথোং পুয়মক মপান মরা ফুক্লেদো।

নিংথৌ — (মতোমতা ওক্লা হায়) কনা কনানো! থেংলবা অহিং অনিদা নাপপা চিকথেরনা বারী শিনওনয়িবা। (তাই)

পুরেম্বা মৈতৈ লৈমা ইবেম্মা চহৈ কিদো হনববা হোৎনবদা কয়া অমা যাহৈজেদো; লৈবাং নাচোম ময়ামদো তাবুগুংদা হাপচিনবা হোৎনবদা কয়া অমা যাহৈজেদো ; ফিকম অসি তাননবা হোৎনবদা ননাইদি চাবা তুম্বা ফংজরবনি।

লৈ হন — অহুবুদি অঙম্বা, নওক অদো য়োম্দনা ফমথোল কাবা যাত্রাদো, কমদো হায়বা হৌজিকপো. ঐগীদি লম্বী থেংলেদো।

পুরেম্বা মাংলমচত্তা হংকংচখিবা ননাই ঐগী যাবাদো মহুতবু পীনবীয়ু।

লৈ হন অহুবু হায়বা, ইনিংথো মা পুক্রিং লাংইদনা হৌজিক্কে, নোংমা বাংলেন চাবদা হঙ্গৎপীগে কৈদৌগে।

নিংথৌ পুরেম্বগা অঙোম চহু লৈমহলগনি ; ঐগী তালোয় অতোনবী থুমন চহু মাংনবা শিন্নয়বা মথোয়না। [শাওনা চংখি ; থোং থিজি] থোংলেন হাংদোকউ, থোংলেন হাংদোকউ।

পুরেম্বা — ননাইগী যাইবীতদি, কনবীয়ু লাইনিংথৌ ; ননাইগী যাইবীতদি কনবীয়ু।

[নিংথৌনা পুরেম্ববু চিংথোক্লকই]

নিংথৌ পোংহৈ মা লৈপাক্কী লৈঙাকলোনবু মক্নবা হোৎনবা ; মৈতৈ নিংথৌ থবাম্বাববু নুংবং-পহৈ চনহনবা নংবু লেম্না থাগত্রা। কনা লৈ।

থবাইরেম্বা [চংওকই থুরুম্মী] ননাই লৈজৈ লাইনিংথৌ।

নিংথৌ শানো লৈবাং অতোনবা ! কৈদগীনো ইনাওদে ?

থবাইরেম্বা তুবী লিকলু অহেনবা, নশানৌ অতোনবা ঐহাক্না, পাইমা নিংশা শংহোম্না ফক্লাং নাপপা নপতুনা চিরোল যাবাসিবু তাজরমনি লাইনিংথৌ। পুক্নয়বা লংজিলরু ননাওনা লংলা চিংথোকচরি ; থুমন চহু ইমাগী যাইবীতদি কনবীয়ু। (থুরুম্মী)

নিংথৌ—ইমাম্বা থইদে ঙম্মক, নম্ শাজৎ তুংগুইনবশিংসে লুতুং পৈরে লাকত্থা কৈত্থর শংলা, মৌইন্নু। শানৌ লৈরাং অত্তোনবী থ্ মন চপ্পু হাংকরোই। শংলিংবগী, বাংলেন ঙাইহাক্কা ঙাইথো। বা লেন ঙাইহাক্কা ঙাইথো। [লাওরগ' চেনখি]

[থাওরৈ মুৎপা]

২—৩

ভুরেল মপাল। নোংঙাল্লমদাই। শিরমদাই থাজনা নোংচুপ থংবা চিংয়াদা মুনা মুনা য়েংলি। কৌজেং-হৈরো ঙপ্পা ঙপ্পা থোংলি অথাপ্পদা পুংজা ঙবা য়েলশিংনা ঙত্তনা খোংলি। ফিমু শেংপা শংলিংবা ১/২ হজ্রৎ-হন্দা চৎলি। লালোই হজবা অন -ফিহাইরোই নিংবা কাইনা কম্মী।

অনং—পান্থুইদকো লৈমা, মীতৎ-মীথোক কজবী মচা-মনাই থোজ্রবী লৈমা লত্তগী অথোইবী মাবী থোঙ্হোক অথুবী।

লালোই—চিংঙু নোংদম কনবমা লমথাংদা মাংলেদো, হমকথোকো ইমা পোইরৈ নরম অসিদা নচা-ননাই কোল্লথোকো পুক্কবী।

অনং —নোংঙাল্লমদাই শক্তিক্কা চিংথৈ হমক্কগা মাংথিবগুম মাংলেদকো লৈমা। লৈমা নিংথৌ অনিনা হন্দক তৌখিবা অসিমু করি মত্তৌনোনে অঙবা।

লাম্নোই পোইবৈরে লৈকোথ মপুম পায়না চৈথাক্ত চকময়ী। লৈমার্গী মরাল লৈরবা অমোম্ন খোল্লাই য়াঙরঙ্গ কারক চৈথেং পীরবা থুমম মপাম সমতমজ্জা থোংকোই হুন্নুথবা মরাইবা।

অন—চিংঙু থোমরুম লোংলব ককাবনু ককনি। তাঁঘং হৌবা মরীচৎ চৎপ্রবলি লৈমতি অ মাখং লুক থোং কোয়ৌ থোক্কা তানখনি।

নিংথৌ—(থাপ্পা লাউত্রবা চেক্কই)। থবায় ঐগী ইম্বিরেল থুমন চহু হাংদক্লোই কন্নাইবশা ঙাইথো কন্নাইবশা ঙাইথো।

ময়াম—(ঙক্লা ঙাই)

নিংথৌ—শংলিংবশা বাংলেল ঙাইহাক্তা ঙাইথো। শংলিংবশা বাংলেল ঙাইহাক্তা ঙাইথো।

অনং—ইনিংথৌমা। শংলিংবশা বাংলেল ঙাইহাক্তা ঙাইথো ইনিংথৌমা লৈমা মাবু থারনি।

[ময়াম মচুংদা ফিংনা চংনখি। ঈশিংদগী লৈমা লৌথংলকই লায়ক্তৈরে। নিংথৌ নিংশা থবেং থবেং হোম্নুনা চেক্কই]

নিংথৌ—কদায় কদায় ঐগী থুমন চহুদি কদায়। শাকবী। (কোনথংলি)

অনং—(থুক্রমই) লাইনিংথৌ ইবুংঙো থোংহৌ থজিক থিনবীথিবোইনা। ইনিংথৌ।

নিংথৌ—লৈমা নংবু তাবরা নিংথৌ ঐনা কৌখিবসে শাকবী। ঐ লানথেন্নরে লৈমা। নিংথৌ ঐনা লানথ্রবনিদ্রে। চৎলবরা নংবু পুক্কবী পোইবৈরে মা লৈমরোল লৈমরেল তাংবল ফমহুনা নচ-নবাই কোম্নথো থুমন চহু হক্লকথো।

লাম্নোই—(লাইকমরমদগী হৌগংলি) তাইবং ফুরুপ লুচিংবা ইমাগী লৈমা মুংথ্রে মচা-মনাই পুথবু থাইমা ইহল পীরম্নে। কোয়ৌ নোংথোং হাংদুনা থমুং লৈপাক থোগ্রবোয়।

নিংথৌ—খুমন চহু অহেনবী নোংম্নাই লিক্লু নিংথিবী লোকমাই ভানবী লৈরাংঙম কোম্নৌ মশেক মৈঙম্বী শাম্নৌ নংগী নশককম তুবী করম মেংলসিগে। মডাং মেক্তা মেক্তেবী পোইরৈ লমদা ভাহ্নোইবী মুম্না থামনা মৈনা কা উনবী মুংদা চাকলিবা পুঙমক্রেদো নিংথৌ এদি।

অনং—লাইনিংথৌ ইবুংঙো পামনা চনিং কাবীমু। নমু ভাইবং হৌনবা ভেংবান মাগী মথুং থা মপু মাগী মবা মেল থাদোক থাজিন শামবা ভাইবং কুপৈম্ন ওইনবনি করিগী মৈশা লাংলিবা।

নিংথৌ—(মভোমডা শোম্না)— শম্নেল হিংশোম শামবা মৈতৈ নিংথৌ পামনা উনবী হকমল্লি। মাংদৌ শামম লিদনা খুমন চহ মডোম্বা করিগী বাইরা তেনথাবা থবাহ্নাবা ঐহাক্না পোইরৈ কমাল তো হুনা কৈদৌরুনি ফমলুবগী।

লাম্নোই হঞ্জবা—ভপথবীমু ইনিংথৌ লৈমা মনোং শুবগী থমহুং কোম্নৌ নোঙ্গাবা চিংঙু মকাং মেংাথবা শোমকপ্রবা শিংশংনি, কনাগা মম্নাল নত্তেদো।

নিংথৌ (মভোমডা) হাওশি খুদোপ মঙ্গাইবী হাওমল লাংনা কেমবাইবী নিংথৌ ঐনা কল্লকই। ইদামমেমশিং ভমম নখোমবু তাবম্ন।

মমাম - লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—মৈতৈ লৈমা কমাগী হাওশি মংথিনবা মফমদা লৈমাগী মহক মুংশিবী পুজেম্নোচো ইদামম্নেমশা।

মমাম্ন কাই শাহুনা পুথোমকট লৈমাগু হাপপী ফিভোনা কুপপী থাম্নংলগা ভপ্পা ভপ্পা চংখি।

[থাওমৈ মুংপা]

২—৪

থুমন নিংথৌগী কংলা। থুমন নিংথৌ কাকপা লৈত্তেম পাম্বা লাংমৈরেম্বা, লোম্থোবা ফম্মী।

থু:নিংথৌ [মত্তোমত্তা লোনবা] পাম্বা কৈগী থরাম্বা ইমোমবু ঐনা লংশিনবনি ইমোম লাংলেন হাৎপদি থুমন নিংথৌ ঐননি। ইপাগী লাংলেন চৈরহল, নিংথৌরখিত্রেদা ইপাদি মাংলমচৎকী বাংলেম্বা ইমোম নংনা মাজখিদবদো হোৌজা-হোৌজা।

কাক—লাইনিংথৌ ইবুংঙো উনবী হক্তা তুরৈ চনবীগনু নপাইরেম কাকপা লৈজরি।

থু:নিংথৌ—হায়মু লালোই হঙ্গবা, থৌরাং লোইরক্রা নহাকী করি বাংলি চিঙ্গোইমু।

কাক—ননাই কাকপা ঐগীদি মা মা থং তাকপীবা পাংথোকচরে ওয়মক।

থু:নিংথৌ—চেকশিল্লুকো অচানবা, কোংনা হাৎপা ওদা মৈতৈ নিংথৌ নত্তেকো।

কাক—ননাই থংজরে লাইনিংথৌ, কল্লি-ওম্মী মতাওম নমজা নমথেক্লম্না থুমন ইরমদম মুনখিবা করাম চাওবা মৈতৈ নিংথৌ, পাইমা মুংবা রেকখিবা অকাও পরৈনদরি।

থু:নিংথৌ—[লাংমৈদা] থংঙেদনা অচানবা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌনা লান পাংবীমু রাবা থুমন লাম্মী ভংথাই পু হৈরেম নমদম পাংম্না পাথৌ ইবুংঙো মুংশিবা হৈরেম থুঙ্গান নিংথৌগী বাইরা মত্তেং পাংউকো।

লাংমৈ নদাইরেম লাংমৈরেম্বনা মপু স্না য়াথংবু লুরেল কোক্তা হাপচরি, হৈরেম লমদম পাংহনা মৈতৈ নিংথৌ ফাজগে।

খু:নিং—থয়ান হাওবা খুম্নাকপা লানগী থৌরাং লৌইহনা ময়োই মনাও ইথিক থোর্ম মখুম্নাগী হয়াও পু মাং ঙম্না থৈহনা লৈহোরে পাওবু লাক্লে অচানবা। পাথৌ হৈরেম নিংথৌগী মঙুংদা থাংলেন কেংহনা পোইরৈ নিংথৌ ঙাইথরে।

লোহ্নৌবা- পোইরৈ লীবা মপ্না হয়েল লাম্বোং থংথিথোক লানপাংবীযু রাজ্রবা করম তৌনি মপুরেল।

খু:নিং—খুমন পোকপা থাগোম্বৌ য়াঙাং থদিং শিংথোইবা তাইবং পুরিং ফাঙবা ইদাইরেমদি অচানবা অশৈবা মানা চংখিবা মা লমচংতগী শোইরক্তি।

লাংমৈ—ঙ্যাম্বা অশৈবনা থোংলেংখিবা করিগীম্ব হোথারক্লোই, য়াদা মঙাং থোক্লম্ব খুমন পোকপনা থংসল্ল পোইরৈ মৈতৈ লমদমদ চাহল লানবু তাহনা লমচং নাইদবা মৈতৈ নিংথৌ লালু চোমাই লৌজগে।

লোহ্নৌবা—নোংমাই লৈকোই ফম্বাও খুমন ইমাই লৈজরোই পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌগা থোক্লাং চাইনা পামশিংনা থবাক চুংবু ওইনা পাম্বোম তাবু ওইহনা হয়েল লানদু থেংনগে, অদোন নোংমাই পুস্বিবা পাইমা লাংতক্লবীসু।

খু:নিং—ইদাইরেম খুমন অথৌবা য়াবা তাবদি সুংঙাইদা; নিংথৌ ঐগী অরাবা কোকহল্লুকো অচানবা।

[খুনাইদা অশৈবা চংওকই খুক্লমী]

অশৈবা—খুমন কংনৈ পীবাংনৈল অদোম নোংমাই পুন্সিবা, পোইরৈ লমদম পাংলুবা নদাইরেমদি অশৈবা য়োজরক্লে ইনিংথৌ।

খু:নিং নিংথৌ ঐগী চাম্রোই, নোংমাই লৌশিং চাওবাও মৈতৈ নিংথৌ মপাঙথোল তম্নোলাওনে অচানবা।

অশৈবা- ইনিংথৌও লৈমাবা : পোইরৈ মপু নিংথৌদি চকখৌম থাম্বী নেৎপঙম ; উনবী মথোই থিংনা থাংলেন নোংবাং কুপহৌরে।

খু:নিং - অচানবা।

অশৈবা—পোইরৈ মপু মশামক থোংলেংলকদি হায়চুমা হংকৎলক্কই লৈমাবা।

খু:নিং- অচুম-য়ারায়া অচানবা ?

অশৈবা– নদাইরেম অশৈবা ঐতাক্না শেমজা-শাজা রাহৈমা লাইরেল গী মথোং থাদা খুক্রমজেদো লৈমাবা।

খু:নিং—হায়্রু তম্মু অচানবা।

অশৈবা হৈরেম খুক্লান নিংথৌগা থয়ান হাওখুন লোতুনা নোংমাই খুমন লৈপাক্তা হয়েল লানবু শিংবনা খুমন লৈপাক পানবা ওমজে ; শেমজা-শাজা রাহৈনা মিৎম্না তরং ইয়া হৌ থম্মোয় শোক্না পাওদমুই।

খু:নিং—হায়্যু ইদাইরেম হায়্যু।

অশৈবা—নমাই য়ারা তাবদা পোইরৈ পীব মপুগী ম্না পুক্নি' শেনথ্রবোই, অশৈবা ঐবু য়েংলগা লাইরেল মপাও লাওরকই। নোংমাই খুমন লৈপাকী রাইরা মতেং পাংনবা মৈতৈ নিংথৌ হিংলি কাওবোই হৈরেম খুক্লানদি। শরিশো ইবুধৌ পাখংবনা থংজম্নু হৈরেম লানবু থেংনগে খুক্লাম নিংথৌ ফাহুনা চকিগী লোইপোং কাহনৈগে। অঁগম হাঁয়মা শরিশো য়রোই-মনাও কৌশিম্না লানগী থৌমাং লোইহৌরেদো লাইনিংথৌ।

খু:নিং—অঁওবা ময়ং ঈপায়া খুমদ লৈপাক পানবনিকৌ অশৈবা।

[লাংমৈথেবখা] লাংমৈথেবখা, ইদাইরেম।

লাংমৈ—লাইনিংথৌ।

থ নিং—মথুং চাবা থম্বুনা, খুমন লাম্বী ভংথাই-পু মৈরেন লমজম পাংথরো।

লাংমৈ—মপুম্বা রাথ বু চট্টৈ শানা রাজবি।

খু:নিং—লোম্ফোবা।

লোম্ফোবা—লাইনিংথৌ।

খুনিং—নহাক্তা লালোইহঙ্গবগনা ভুবেল মোংবা ভুখুলদা মৈতৈ নিংথৌ লুমহনা লৈগদবনি অচাবা।

অনিমক—কগনি লাইনিংথৌ। [পুক্রথী]

[থাংমৈ মুৎপা]

২—৫

থুমনগী লম্বী। লাংমৈরেম্বা মনিংথৌ থুরুম্বগা লান চংখি। খুমন নিংথৌ, কাকপা লৈতেম পাম্বা লৈহোই।

খু:নিং—[ফিংনা হায়] মৈতৈ নিংথৌ মোয়কপনা হানখ্রেনা; ঐথোমবুম্ব উথরে। মেংগু মৈতৈ লাম্বী মযামসে বাকমৈ হিৎগী কানরক্লে শুরমক; করম তৌসিগে অচানবা?

কাক—মৈতৈ নিংথৌ ওকপা শাশিন্না লেংশিন্নবি লাইনিংথৌ।

খু:নিং—লোমিং চাওবা অকনবা, খোংমী লাম্বী পুখা মবিৎ-মনা শিংহল্লু।

কাক—লাইনিংথৌ।

খু:নিং—মেংউ অচানবা মনিংথোবু শেম্বক্লিবা মৈতৈগী খোংমী-লাম্বীশিংসে করাগী মতিক শিংথোইহিন্না; করাবা চেকশিন্না চংলিবা।

[মৈতৈ নিংথৌগা মৈতৈগী লালোইহল্লবা অতোম নহাবাগা
বার্মী শার্মী]

মৈঃনিং মেংঙু নহে লালোইহনজবা, খুমন নিংথৌসে ঐখোয়বু ওক্লম্লীয়ানে। আদা মৈরে ভাইহনা।

লাঃহনজবা—লাইনিংথৌ ইবুংঙো খুমনগী লাম্মী থবস্থ চাইথোকুনা মৈবা উই।

[মৈতৈ নিংথৌ. লালোইহনজবা চংঙকই]

খু.নিং—মৈদিংঙু নিংথৌ পাজলবা।

মৈ নিং খুমন নিংথৌ পুসিবা। (কোয়বা)

খ নিং—ইদাইরেমশিং পুবা ভয়া খৌরক্লেদনা।

ময়াম (খুক্লৈম্ন)

জ্ঞাকপা—পাথৌ মৈতৈ অকনবা।

লা.হনজবা—পাথৌ নোংমাই কয়াইবা।

খু:নিং—ইদাইরেমশিং কয়াইবা কনা নৈ।

লোম্ফোবা—(চংঙকই) লাইনিংথৌ।

খু:নিং—ভাওজিং হৈয়াং থুমথোইবশিংদো পোইরৈ নিংথৌদা কংলো লাও।

লোম্ফোবা—ফগনি লাইনিংথৌ।

[লোম্ফোবা চংথি, হৈ লোথোকলুবগা মৈতৈ নিংথৌ, খুমন নিংথৌ, অমম্ভি কয়াইবা ময়ামদা য়েজি]

খু:নিং—ইদাইরেমশি' পুম্বা ভয়া থুংনা য়েন্নুদো।

মৈঃনিং—[হৈ চাক্লথগা হায়বা] খুমন নিংথৌগী হৈরাংসে পাইমা থৈদা পেনশ্রেদা। [থাং শংদি রাশকই] শস্ত্রিশো ইবুথৌ পাথংবনা থংসম্থ; ভসি কোয়ৌ হুমিত্তা হৈয়াং য়েনবা লমদমসে হবেং পোইরৈ চাদোন রাভম শুরোল ভানবুশিংনা হৈয়েন কোনা থংনক্লৈরম্লহ।

থ়ুঃনিং--মরম লমলেন লমচুংশি কোনৌই মখিং হোংহুনা ওসি কোথা নোংদগী হৈরেন মিংছল তমশ্রসহু। [থাপতক্লা য়েংই হায] লাম্মী থল্লা কৈদোকপ্রিবা কদোমদনো মৈতৈ নিংথৌ।

মৈঃনিং—শানৌ লৈরাং অতোনবনি, থম্মান হাওয়াম ঙাক্লবা থাখিবদি লাম্মীনি। লাম্নোং কমদোশি হাম্লবা থ়ুমন নিংথৌ?

থ়ুঃনিং—মৈদিংঙু নিংথৌ পাঙ্গলবা, পাইমা বাম্নোপহুকো নিংথৌ ঐনা লাম্ফোং শিনবা।

মৈঃনিং—কন্নি মারানো পুন্সিব', লানফমসিগী মপুদি নোংমাই নিংথৌ নহাক্লী লানবু পাংবা লাকপানি মৈতৈ নিংথৌ ঐহাক্তি।

থ়ুঃনিং-লাইরেল মাবা তাবদি পাইমা খৈনা পেঙ্গরে। মৈদিংঙু নিংথৌরেল নহাক্লা হাওরৈ থানা পাংবদগী হুমেল লানবু ভানথংলকও। থুমন নিংথৌ ঐহাক্লা অরাং লৈনা পাংবদগী থারম মাইকৈ পাংনবু হুমেল লানবু লান্দারকে হৈরেম নিংথৌ ফাবদি থাংচপননা কাম্নশি।

মৈঃনিং—পম্বহুনা কামদ্রে কোম্নো নারল বাইজ্রিতৈ মোইমমাই মশেক শামদ্রিতৈ হৈরেম নিংথৌ ফাহৌশি।

থ়ুঃনিং—বাকমৈ হীবু হীহোম্বীম্নো মৈতৈ নিংথৌ। থুমন নিংথৌ ঐহাকস্থ লানগী থৌরাং ভোরগে।

মৈঃনিং—লানোই-হনজবা।

লাঃহনজবা - লাইনিংথৌ।

(থোংলোই মরাম্মা থৌগললি মৈতৈ নিংথৌ চংখি)

লাঃহনজবা—(মরামদা হায) মৈতৈ অকল-অথৌ পুম্বা তাও, হাওরৈ থানা পাংনা বাকরৈ হীবু হোম্বরো।

[মরাম হী হোনবগী লাংলৈ]

খু:নিং—(য়েংই মতোমতা হায়) মৈতৈ নিংথৌ লান চংখ্রে ; থংগনিদো পোইরৈ নিংথৌ ।

কাকপা—লাইনিংথৌ, নদাইরেম খুমন কাকপস্, তুরেল মোংবা তুরিল ইন, মৈতৈ নিংথৌ লুমহনা য়াইবী মাগী তেমশিংজক্রগে মপুরেন ।

খু:নিং—চংলো চংলো অচানবা, ঙসি কোয়ৌ হুমিত্তা লাইরেন নিংথৌ মহাকপু নাহোকহথিবা য়াদেকো ।

কাকপা—লাইনিংথৌ । [থুক্নী চংখি। থাপ্পা লান শোক্নবগী মখোল তাই।]

খু:নিং—[য়েংই মতোমতা, থাং শংলি হঙ্গং হম্পা চংলি] হৈয়েম লাম্নীগা মৈতৈ লাম্নীগা থেংনখ্রে । থংগনি ঙসি কোয়ৌ হুমিত্তা মৈতৈ মচা অমত্তা চোইথোক্লকনহু শরিশো লালু চোমাই লৌগেদো ।

[লোম্বোবা হুংশা থবেং থবেং হোয়া চেল্লকই থুক্নী]

লোম্বোবা—লাইনিংথৌ ইবুংঙো ।

খু:নিং—খুমন অথোবা কৈদোরে, কবি বাংলি চিঙ্গোইদু ।

লোম্বোবা—হৈয়েম থুঙ্গান অপুম্বা শমজি থাইনা চেনহোরে, মৈতৈ লাম্নী পুম্বনা লমলেন লোক্তাক থোংবাম্পা তায়া তায়া হাংহোরে ।

খু:নিং—লোম্বোবা !

লোম্বোবা হৈয়েম লাম্পা লুচিংবা নিংথৌ কাগে থৌয়াংলুবা নদাইরেমদি লাংমৈরেম্বা পোইরৈচা কয়া হাংলয়গা মিংচি নাম্না লৈদনা লাম্নু চোমাই কেন য়ামজেম মৈয়া মুংথরেদো ইনিংথৌ ।

খু:নিং [মতোমতা শোনবা] ইদাইরেম লাংমৈরেম্বা পুম্নি মৈয়া মুংখ্রবা।

লোম্বোবা—লাইনিংথৌ ।

খু:নিং—হায়রু অহুদি লোম্বোবা, খুমন ইঙ্গংলাংমীদমক পাথৌ হৈয়েম নিংথৌহ য়াইবী পোম্বা ওইখ্রবয়া ?

লোম্বোবা—হৈয়েম নিংথৌ মতৌদি য়েংহৈরেদো লাইনিংথৌ।

থ:নিং—হায়নু কৈদৌরবা লোম্বোবা?

লোনথোবা—মথুং তুংদা পটেন লাক; নুমাং শয়াং পাইদুনা বাকরৈদুংদা চিংদিনহোবা য়েংহৈরেনে মপুরেন।

থ:নিং—লোনথোবা নংগী মাথাসে লোইরবরা অচানবা?

লোনথোবা—অচুম মায়ানি মৈমাবা। কাকপা মৈতেম পাম্বা ইয়াম্বা থ:মন অকনবস্ন মৈয়াই মুংবী থক চথোং হাবুং মরুম থুপ, মৈতৈ নিংথৌ ঙাইহৌরি।

থ:নিং—চংলু নহাক লোনথোবা, থ:মন লানচিং পুরেন্দা মাবা অহুম থংহল্লু; খোংমী-লাম্মী অপুম্বা মনিং-মনা শিংহক্ চেকশিন্না মৈয়ু হায়রুচো।

লোনথোবা—ফগনি লাইনিংথৌ।

থ:নিং—অমনা, থ:মন মৈমাগী মফমদাং মাবা অসি চীঙ্গোইরু। পম্বৌ মপা অপোকপা মৈদিংঙ-থবাম্বাবনা হুঁয়েন লানবু ঙম্বী অথেনপোংবা লোইননা পম্বৌ মাবু ওকচো অহুম মাবা চীঙ্গোইরু।

লোম্বোবা—লাইনিংথৌ। [থ:রুম্মী চংথি]

থ:নিং—লাম্বোং পুম্বা কাইরবা হোংনবা পুম্বা কামত্রবা; থৌজু হু'পাক মথক্তা লাইজ ঈশিং চাইবগুম অয়েমদা তায়বা। কৈ মৈতৈ নিংথৌ: থ:মন নিংথৌ হিংলি হৌজিক কাওবা, নংগী মাইবী চাইথিগনি।

মৈ:নিং—[লাওহনা চংলকই] থ:মন নিংথৌ পুম্বিবা নহাকী লাম্মী মৌয়ক্তি্রৈ হয়েন লানবু লোইরেদো। সে- লমহেন্নবা হৈয়েম নিংথৌসে নথুবাক্তা শিররগে।

[মনাইশিংনা হৈয়েম নিংথৌ পুন্দুনা পুশিলকই]

খু:নিং—মৈতৈ নিংথৌ পাকলবা, লুতুং-পৈরৈ লাক্লিবা হৈরেম নিংথৌ থাদোকউ।

মৈ:নিং—লাকোই হৌবা।

লা:হনকবা—কপনি লাইনিংথৌ। [থাদোকই]

মৈ:নিং—হায়য়ু হৈরেম নিংথৌ, চহি কুমজা খুদিংগী খুমন্দা লোইপোৎ কাগেরা নত্রগা—?

খু:নিং—পাথৌ হৈরেম নিংথৌ : চহি কুমজা খুদিংগী খুমন্দা লোইপোৎ কাবনা যাইকপনি নহাকী।

হৈ:নিং—পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ, চহি কুমজা খুদিংগী খুমন নিংথৌ মকাদা লোইপোৎ কাগে হৈরেম খুম্বা।

খু নিং—পোইরৈ নিংথৌ যাইফবা, হৈরেম মাবু থাদোকশ্রনি মরাল যাইদা হনগ্রমদু।

মৈ:নিং খুমন নংগী লোইবা নিংথৌনি, নোংযাই ননিং তম্মুনা।

খু:নিং—পাথৌ হৈরেম নিংথৌও, নরাল যাইদা হনবিথরো, চহি কুমজা খুদিংগী লোইপোৎ কাবা কাওকদে।

হৈ:নিং—অরিবা কুম্মা চংখিবা, অনৌবা কুমনা কুমওকপা নোংমৈ মতম লাকপদা পাথৌ নংগী নকাদা হৈরেম লোইপোৎ য়োবকে।

(থাওনা চংখি)

খু:নিং—পোইরৈ লৈকোই-কবাও হয়েল লানবু লোইরেদো : খুমন ঐগী ইরাম্দা অরা পোংগু থোকতুনা যাংলেম্ভাইহাক পোথারম্ম।

মৈ:নিং—থোংলেংশি খুমন নিংথৌ।

খু:নিং—খুমন নিংথৌ ঐহাক্তি নথানৌ লৈরাং অতোনবা থরান হাওরাম পাংখিবা যাইবা মতেং পাংলুগে নমোয় লাংলেন মকাদা ফুংডাই থোইনদ্রম লৈরম্মু। [চংখি]

লাঃহনজবা—হন্দকী হয়েন লানক্ষমসে নোংমাই থ়ুমন লানক্ষমসে নোংমাই থ়ুমন নিংথৌসে পাইমা থৈনা বাটৈজদে। ইনিংথৌ।

নিংথৌ—মথৌনা কবা নিংথৌনি হয়েন লানমিং থংবনি ইলাইরেব।

লাঃহনজবা—থ়ুমনগী থাবৈ লাবুকনে নিংথিজরেদা ইনিংথৌ, লোইমোম থোইচাং শাগবা চরোং চুবা পাম্পোংসে পেন চৈজিং মানখরে কজথরেদা লমদমসে।

চৌংথৈ থানবী—(থাপতগ্রা মপানু কৌরকই) পম্বো মপা ইবুংঙো হয়েন লানথেংনরুবা, অশোক অপন মাঙদনা থূমন লৈপাক মৌরকপা নমোম কাদা লেংবীরকপা নচানা তরামা ওকচাব লেংশিনবীরকউ অপোকপা।

নিংথৌ—তাও লালোই হনজবা, মতম কুইনা তাথিত্রব ইমোম লাংলেনগী মাবা থোরক্কপ নত্রা। মামি ইমোম লাংলেলনি। (হরাওনা) ইপাগী ইমোম চৈরহল, ইপা লাক্লে। ইমোম নংবু উদবা নোংশিং মাম্লে ইপানা। [মচাগী মনাক্তা চেনখিবা লালোই হনজবনা ফাবা]

লাঃহনজবা—লাইনিংথৌ ইবুংঙো বাংলেন ঙাইহাক্তা তপথবীথো।

নিংথৌ—লালোই হনজবা, মতম কুইনা চেংলো উরক্ক বী ইমোম লাংলেন উবগী হরাও মথোই কাজবা করিগী ফারি নহাক্তা।

লা হনজবা—লাইনিংথৌ ইবুংঙো মঙাং শীবা অথোইবা নমোম ফুংশিবগী মৈনা মৈ, চনিং থোদা থনবদি করি মতৌবো লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—ইলাইরেম করি থোংবাং কাইরবা!

লাঃহনজবা—মা মিংমেং তাবীযুদে। লাই নিংথৌ: নমোম মানা কৌইদো "পম্বো ইপা ইবুংঙো মৈতৈ ইপাচা পুরমক, লেংশিনবীরকউ" হায়দুনা থুংথা তোইনা থংতোকপা মৈতৈ অকবা ওইরোইদো।

নিংথৌ—ঙৈং চুম্মীনা কোরো নোংথৌ থক্তম শাবী-লাম্মী থোকইনা।

হনজবা - নারক মোংশোং মরকসে, স্রোং স্রোং প্রেক প্রেক মখোল তাক্তা মতাইদো ননাই পাইমা চিংনবৈজ।

চীংথৈ—[মতু'দা থাপতক্লা] পঙ্হৌ ঈপা ইবুংঙো হয়েল লানথেংনরুবা অশোক অপর মাওদনা নযোম নাক্তা লেংবীরকপা নচানা তরায়া ওকচয়ি অপোকপা।

নিংথৌ—উং। পোইবৈ মৈতৈ পুন্না হয়েল মানগু থেংনবা থ্বন নিংথৌ মাঙদবা। নিংথৌ ঐনা লানগুমা লোংঙাই পুক্রিং হয়াওদবা; ইতাও ইতাও হায়দুনা হৈয়েম নিংথৌ থাদোকপা। হৌজিকয় শানৌগী বাইরা মতং তেংবাংগনি হাথু-হায়ু মচংথিবা। ইরা — । মযোমগী মংশং তানগে থন নিংথৌ ঐবু লাননেকপকো।

হনজবা—থ্বন মাংদৌ অশাংবা তম্বা কনা উদেদো মৈতৈ ঐখোয়বু ওক্রবা লোংয়াই কনা থোয়ক্লেনে লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—চুম্মী, লালোই হনজবা। পোইবৈ ইয়ম পাংলসিয়া নত্রগা থ্বন লৈপাক মথক মথা ওয়াক্লসিরা।

হনজবা—লাইনিংথৌ ইবুংঙো পাইমা চনিং ফাথবীগনিদো। লানগী লাম্হোং শিনবয় থুমন নিংথৌনা হানথরে; ইয়ুম মোংবা মাইকৈ পাং, লানগী পন্নিং হঙ্গোকপনা মাইকয়গত্রা মপুয়েল।

নিংথৌ—হীগাং থক্তা কায়শি ইরম পাংলশি ইবুথৌ পাথংবা থৌনিনা মতুং অমুক লাক্লসি।

হনজবা -[ময়াময়া] পোইবৈ ইপাচা পুবা তাও, কিয়াং লৈবিয়ো মৈতৈ ইয়ম পাংললি।

কাকপা—[লোয়া থ্বন লাম্মী ময়াময়া হায়] হিয়াই লৈয়ে হিয়াই লৈয়ে।

হনজবা - [ময়াময়া] পোইবৈ লাম্হৌ মাংবশিং লাইনিংথৌ মা মাথংনি নৌয়েল মনিল নাইকনে।

[মঙ্গুংদা চংখি। নিংথৌ মৈহোৎই]

কাকপা-[লাওই] খুমন পুম্বা চোংশিল্লো মৈতৈনু মেঙ্গ্রেম-থরাক শোইবগুম শোইথরো।

নিংথৌ—খুমন মচা মখোয়মনসু লুমজরমকে। [লাওই] মৈতৈ অখোবশা খুমন মচা অমত্ত লেয়া থাগনো।

কাকপা—[চোংথোরকই] মৈতৈ নিংথৌ ; ঙসি কোরৌ নোংদি খুমন ঐ। ইরমদা লুরেল কেনবা ত্তারেদো।

নিংথৌ—কাকপা নৈত্তেম পাম্বা। কম্রশ নৈত্রবা নংগা মৈতৈ নিংথৌগা পাবদি মতিক চাদেকে। চৎলু খামাম্রবা থিজরু লে মাম্রবা মেংজরু।

কাকপ—মৈতৈ নিংথৌ মাবা কমজাও হুন্দুনা কামদে। ঙসি কোরৌ নোংদা লুরেল লোগে পোইরৈ নিংথৌ, ঙমদা মত্তাং থোরগা কাকপগী লুরেল লৌজথো।

নিংথৌ -ইয়া কাকপা। থাংলেন পাইয়ু হাই, শরিগে।

[অনিমক থাং মাম্রা-মাম্রা চংখি। লাগোই হনজবা থোরকই]

হনজবা—হিঃ ইনিংথৌ কোইশিনরেনা। মৈতৈ পুম্বা হুপচিল্লো হুপচিল্লো। হাঃ! হাঃ! হাঃ!। খুমন কাকপগী লুরেল কেল্লে। মৈতৈ অঙবশা, খুমন মচা অমত্তা লেয়া থাখিনু।

নিংথৌ—(মঙ্গুংদা) কাকপা নৈত্তেম পাম্বা নতিক কমি নৈদ্রবা কাগে হোৎনবা মৈতৈ নিংথৌ। লৎনবা মাদবা থরাম্বাবনি থংজ্রা। (থোরকই) লাগোই হনজবা।

হনজবা—(খুকশী) লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—অকনবা থুমন কাকপগী শমু শকচাং অসিদি লাইজা। ইবোমংবা তুমজহৌরমহু, লেপ্লৈ মচিন্তাক ওইজহৌরমহু।

হনজবা—লাইনিংথৌ।

নিংথৌ—মহাক্না শিরবা থোয় মুংবা হক্রবা মাগী হৈজ্ঞ পরেংসে হয়েং বাংলেন অমদা পোইবৈ মীয়াম মমাংদ লেমংশকো ইনাইরেন।

হনজবা—যোইরবেন।

নিংথৌ—থুমন কাকপগী অককপা মকোক অসে চিয়াং-নাওদা থেংচিন্নু, চোইজাইনরবা মশম অচুনা লাইজা ঈদা চিংজুনা চংহনগদবনি। হয়েং তু লমচংকী মৈদিংঙু নিংথৌরেলশিংগী মা থাংনেং হিদ লুরেল মতৌ হাপকদবানি লাওথোকউ পোইবৈ মীয়ামদা।

হনজবা—কোয়ৌ লোংদা কাকজবা মাদেম লৈদা ডাকজবা লাইনিংথৌ মা য়াথংবু লুরেল কোক্তা হাপচরি।

নিংথৌ—চংলু ঐগী থোংনেং হিঙ্গ লোক চংলু।

হনজবা - ক্লগানি মপুরেল। (চংথি)

নিংথৌ - (শাওনা থুমন নিংথৌ, পাইমা থোইবুং নয়ৌ তৌ, মৈতৈ নিংথৌগী য়াংবী তেম্মাশংবা। ডং থবাম্বাবনা লেরা থক ভোক্লোই। থুমন মচা অমত্তা থমংরোই ইশাইকোন্দা।

লোইরবা



[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
	[illegible]
	[illegible]
	[illegible]
	[illegible]
	[illegible]
	[illegible]
	[illegible]
[illegible]	